অহানবা থুংনম

১৯৯৮ এপ্রিল

অনিশুবা থুংনম

অকোঙবা : অরাম্বম সমরেন্দ্র

সগোলবন্দ মৈনো লৈরক,

ইম্ফাল [illegible]।

লীনা অসি [illegible]বা মীনা মাঙজোননা পাম্মদন লোইবনু।

মমল: লুপা ২৫.০

মনিপুর রাইটস এসোসিয়েসন

ইম্ফাল।

নম্ফম : ভৈগ্যবতি কার্য্যলয়, চুরাচান্দ প্রিন্টিং বার্কস,

মৈনো লৈরক, ইম্ফাল।

অহানবা প্রোডকসন,

অল মনিপুর ড্রামা ফেষ্টিভেল—১৯৬৮ ৬৯

ডি এম কলেজ ড্রামাতিক ক্লবনা পুথোকখিবা

শরৎচন্দ্র	—	এন একেন্দ্র
বীর	—	সনব্বা ইবোতোম্বী
শ্যামকুমার	—	মনিহার
রুহিকান্ত	—	এ লোকেন্দ্র
য়াইমা	—	প্রতাপ
মমা	—	রমানি
সনাতোম্বী	—	নয়নস্না
উমা	—	ভক্ষাস্না

ডাইরেকশন — শ্যাম শর্মা

অহানবা শরুক

(অযুক। অণ্ডর সেক্রেটরী শরৎচন্দ্রগী ড্রোইং রুম। মচানিপা শ্যামকুমার ঈশৈ ভংতুনা ফমলমই। মমা চণ্ডুকই)

মমা : মুপামচা, শ্যামকুমার ?

শ্যাম : করি হায়রগে ইমা !

মমা : নঙ ওসিদি থর ওন্না হল্লকই। মুংদাং লাই থুরুমগদৌরিবনি, নঙ য়াওদবা য়াদবনি।

শ্যাম : হেরা, লাই থুরুম্ববু ঐ য়াওদবা য়াদে হায়বসিবু করি বানো ? ঐ থবক চিল্লি। থুরুমদবা য়াদে হায়রগা অা কোম্না ঐ হল্লকলগা থুরুমলগা লোইরেদনা। ইমাখোয়গা অঙাংশিংগা অহুম থুরুম্মম্মো।

মমা : নঙগী দশাগীনিনে নঙগীদমক্তনি থুরুমগদৌরিবসি। হোরেন ঐজ্ঞানা শান্তি তৌথোকদৌরিবনি, থুরুমদবা য়াদবনি ঙাওশম্মহুনা হল্লক্তবকা তৌগম্নু। শোয়বা য়াদবনি।

শ্যাম : করি শান্তিনোনে ? করি লাইনোনে থুরুমগদৌরিবনো

মমা : শনি থুরুমগদৌরিবনিনে। নহান্দগী হায়ববু করিগীনোনে নঙনা থওইদ্রিবা। কুঠি য়েংলূবদা য়াম্না লুনা হায়বকপ্রপোংনি, নঙগী দশা য়াম্না পাঙদে, ঙসি অহিংসিদা .শোয়দনা থুরুমদবা য়াদে, পুং ৬, ৭ অহুবাইদা য়ুমদা লৈতবা য়াদে।

শ্যাম : (থোরকপা) ঐগী লুরবা থবক অমা লৈ তাসমি ইমা। পুং ৬, ৭ তদি ঐগী যুমদা লৈনবা মতম লৈতে। নৈঙ্গাতু নোংমা অয়াক খুরুমসি হায়যু। নহাগা পুং ৫ অহুবাইদা খুরুমসি হায়যু।

মমা : নঙ নৈঙ্গাদি পুং ৫ দাদি আদ গুরমযামদা ভাতি বংবা যাদে, লাইগী লোইরমলগা শোমদা লাকদৌরবনি।

শ্যাম : ঙসি নঙবদি য়াদবা ?

মমা : য়াদে।

শ্যাম : ঐ য়াওদবসু য়াদবা ?

মমা : য়াদে।

শ্যাম : মতম থেঙথবসু য়াদ্রবা

মমা : য়াদ্রে—

শ্যাম : পুং ৬ তা লাই লাকপা তারিবা ? লাইগা ঐগা উনবা ওমলরোই, ঐ মী উনবনা তেলা লুই।

মমা : করি য়ানারে? নঙগী দশাগী খুরুমদৌরিবনি ভাঙশিন্নকো—

শ্যাম : কার দশানোনে? ঐ থাজদে ইমা, ঐ ওমলোই, ঐ থবক চিন্নি হায়রিবসিনি। নোংমা কোনা খুরুমসি।

মমা : পাশিনা পীকপা মতম শোয়বা য়াদে, নঙগী থবক থনা ঐ থজদে, ঙসি লাই খুরুমদবা য়াদে।

শ্যাম : অত্তদি ইন-এবাসেজিযাদা খুরুম্না তারে।

মমা : করি হায়বা ?

শ্যাম : ইন-এবাসেজিদা — য়াওদনা খুরুম্না ! অনৌবা চংনরী মখল অসি ইমান খঙলোই।

মমা : য়াওদবা য়াদবদা য়াওদনা খুরুম্না হায়বসি করিনো ? মতু য়ারোই। নত্তে, নঙগী থবক অসি করিনো ? করিনো চিন্নিবদো ?

শ্যাম : হোৱেন জিম্মর-কম-দাস পার্টি অমা চত্তবা য়ারেয়ে। ঐ পুং ৬ তা অ যৌদনা য়াদে, অতুনা শংদে, ঐগা লাইগা উনবা তুমলারোই হায়বিবসিনি। খুরুম্না তারবস্তু ইন-এবাসন্সিয়া-ঐ য়াওদনা, ঐনা খাদগী লাই অতু পুরকীংদা খুরুমবা, সোমদা ঐজ্ঞানা ঐ লৈ হায়না খল্লগা, অহাঙবা মফম অতুদা মন্ত্র থীজনা, তুলসিমনাতু ঈশিংদা লুপ্লগা চাইথোকপা : অতুগ্না তৌরবদি য়ারে। অতু নত্রবদি উপাই লৈতে ইমা

মমা : নঙগী বাতু বা হেনমনাগ্র, করিনা নাখোয় লাইরিক লাইস্তু তমলগা ভাব তাগদ্রা হায়রগা হেন্না হেন্না ঙাওরিবসিবো!

শ্যাম : অনৌবা লাইবিক খুংতম, অনৌবা লাইবিক, অনৌবা মাখলনা হৌদোকপা মংনবী, ইয়া য়ান্না শিন্নবা পোশিন্নি ইমা। য়াগনি-ঐজ্ঞাতু লাকলগা ইন-এবাসেজিয়া খুরুমগনি হায়রম্মি হায়ন্নু

মমা : ঐনা যারে, ঐজ্ঞানস্থ য়ারোই, লাইনস্তু যারোই. ঐন হায়রিবসি তৌগদবনি, হোরেন রা থোকলগা ফংলাইকো মুন্না খলহৌ নঙগী পার্নিনা লুপোং নত্তে

শ্যাম : পার্টিনা লই ইমা। নঙগী ওইগদৌরিবী নমৌ মুপীগা উনগদৌরিবনি পুং ৬ তা খঙলেদনা? নহালমথৈ আ দার্জিলিংদা লাইরিক তমলুবতু থোরকালে ঙসি পুং ৬ তা টনদবা য়াদবা—আদরৱাইজ নো আদর তাইম;মতম অতৈ লৈতবা—খ্বা র‍্যার ওকেসসান! তাঙগ্রবা থোদোকনি, অমুক হল্লকনবা লৈতে।

মমা : খুরুমদবা য়াদবা লাইগী থবক তোকথোকলগা নঙগী থোকচোম নীঙোল খোঙগ্রাউ শেংপীতু উন্নরুগে হায়বা? পামজ লাকচদে, তৌ লাকচন্নু, ঐদিনে পামদে হায়রিবসিনি,

নও মত্থু পুন্নকথোৎলক্তুনা তৌরবদি ঐদি মশোং লাক্তুনা হাইনি খওজো। নও ওসি সুংথিল শুকচং চখোকপা য়ারোই, লাই খুরুমগদৌবনি।

শ্যাম : ইমা! খৎনসিন্না? ঐগা খৎনবা পামস্রা? ঐ লাই খুরুমলোই হায়রিবসিনি। ঐবু লাই খুরুম্বা মীরা? ঐহাক লাই য়াদবা মীনি! লাই হায়বদো লৈতেয়ে— লৈতবা লাই উননবা ঐগী মতম মাওবা য়াদে, ঐ মী উনবনা লুই হায়রিবসিনি।

মমা : নওগী মীদো নও উনবা য়ারোই করি থোকই হায়দুনা তৌজ শান্নিনো? নও নপা তাকলগা বা থোক্লবা পামত্রা? নপাদা হায়যুরা নও?

শ্যাম : বাবা তাকলগা কেদোগদৌরিবা? তাকলুরো-কৌরকউসিদা! কৈনো মানা ঐজোন্দা হায়গদৌরিববু? ওসি থাওজনি হোরেন ওফিস কুমলক্লে হায়রগা প্রোফেসর কুমার খোয়দা তুরি শান্নরমগনি। তুরি শান্নবদগী হৌগৎলকতুনা ঐজোন্দা চৈনবা মতম লৈরোই। তাকউ, হোরেন হল্লকলগা ঐদি আদ দাক্ত তৌতুনা লৈরগদবনি। মখোয়' ক্লবতনি ঐনা ওসি চৎতৌরিবসি, ওসিদি মখোয়গী ক্লার শান্নফম ক্লবাতা ঐখোয়না য়ায়রে। থাঠা নত্ত্রে, লুপা ২০০ পীরিবনি, নোংঙানবা ফাওবা রিজর্ভ তৌরবনি।

মমা : হল্লকপ' ঙাইগদৌবা নত্তে, কৌহক্লুদৌরিবনি, য়াইমা থারগা কৌহল্লগে ঐ। নওগী অত্থুগুম্বা মী উশিক্তব- কয়া কুইবগে য়েংসি।

শ্যাম : কৌহল্লুরো, কৌহল্লুরো, য়েংসি। ঐ চৎপু চৎথোকে তৌবনি, চৎথোকলরোই বাবা ঙাইরগে। আদ ডিপার্টমেন্ট-তা, থবক্তগী থাদোকনবা মতম মিনিট ৫ ফাওবা লৈরমলোই।

লাক্কি শোয়দনা লাকহল্লু, চৎলে৷ হায়য় তায়াইমত্থু।

মমা : নত্তে, নঙনা নতোমতা তৌনীংবতা পঙতৌদা তৌবা, মীনা হায়বা খোৎপা অমত্তা তাদবা, বাথোকনা থা খুদিংগী অত্থু তৌরেয়, অদা তৌরেয়ে, কলেজদা অমগা খৎনরে, কান্তিনদা তৌরেয়ে হায়বা বাথোকনা কয়া য়াম্মে। নত্তে, নঙবু ইকাইদ্রা? ঐদি ইকাইবনা শিবে, ইচানিকা হায়জনীংদ্রে' হুডাইমন্দত্থুনা কুঠি য়েংলুরে, দশা ফত্রে, ফমফমনা যণদা ফম্মলে, খৎনৌ. চৈনৌ, শোকউ পল্ল, হায়বতা থাইরে, মত্থ কোকনবা ঙসি শনি খুক্কমউ হায়ত্থুনা ঙসি খুক্কমগদৌরি, ঙসিতং লাই খুক্কমলগা নঙনা তৌনিংবতা তৌ' নঙগী মশম তেম্না ককপী, খোংগ্রাউ শেংপী তনোক উপ্পীত্থ উনগে হায়যবত্থ ইমা করিমত্তা হায়বাই, হোবেনসিদদি লাই খুক্কম্থ। য়াও!

শ্যাম : ইমা নঙসি ওনথোকনা অনম কনথ্রেদা। মফম মতম ওনথোকনা খঙখিদ্রে। অত্থুনিনা বাবানা আদা ইমাতোন-খোয়দা বিলদিং শারগা মুংদাং খুদিংগী ঙাক্রাথোংবা চারগা অথেংবদা মমদা তুমবতমক হল্লকলিবসি। বাবানা নঙসি লোয়নবা তনবা জাৎনি।

মমা : নঙগী বাবানা নমাতোনখোয়দা দলান শাবা, ঙা থোংবা চাবা চাদবা ইমা করিমত্তা কল্লক্তে, হুমুক খাইয়ে-নঙ নমাতোন্নে হায়ত্থুনা তৌরিবদো। হৌজিক্তা লৈশাবী হেক শারদনা, ঘড়ীকাদো য়েৎতকা সিরগা শম্মোংবী হেক তৌরদনা ফনেকনা খোইখাদকা শেৎলদনা তৌজবা শারিবত্থ মমায়দা তিনবু শিৎচিন্নীংই—ইমাদা পনবীরকন্নু ইমা মিক্তন চেনখৎলা। চাগে চাশত্থ চারোই তোকশত্থ ঐ

মখোয়গী রা তানীংদে. ঐনা ভাওনরিবসি নগী লাই খুরুম্নগী বানি, ভসি নঙ লাই খুরুমদবা য়াদে শিদনি

শ্যাম : লাই খুরুম্নদি লায়রি, ইমাতোনগী য়ারী শাখিসি। ঐ নহান চৎলুইরে। রেদিও ফিলিপস, অচৌবা লুপা লীশিং অনিরোম পীবা অমা বাবানা লৈরকই হায়রুনা লৈরম্মে। মমিৎতু শঙ্গোম ক্ষীব হৌই হায়রুনা, ঐখোন্দা পীজরকই কয়া হাউব্রে, কিসমিসতু কারনো ওংস্তোক্লা য়ামা থাকখ্রে ঐনা খল্লি, বাবানা ইমাতোন মনাক্তদা লৈরিবসি মাগী শঙ্গোম ক্ষীরসিনা ওইবা তাই কাম্নদে ইমা, ঐগী লাইদি লায়রি, বাবাগী লাই খুরুমখিসি, ঐখোয় য়ুমদা ওাক্লা লৈরকুবা লাই অমত্তা হান্না খুরুমসি হায়খো ঐক্তাদু। য়েঙ্গাং হাউতবনা লোইরে। ভসিগী ঐগী লাই খুরুম্নসি পোট্‌পোন তৌরসি

মমা : কৈনো পোট্‌পোন তৌবা হায়বদি?

শ্যাম : য়ৈথোকতসি হায়বা। নোংমা নীনি য়ৈথোকতসি

মমা : য়ৈথোকপা হায়দ, ভসি খুরুমদবা য়াদে, নপাগী লাইস্নু খুরুমগনি নগী লাইস্নু খুরুমগনি। নঙ নপাসি ভাওরবনি, নগা চপ মান্নে, মখোয় নপানচাসি অমত্তনি।

শ্যাম : য়ৈথোকপা য়াদ্রবদ্রি ইমা, ইমাগী লাই অদু ঐ য়াওদনা খরুম্বা তারে ঐনা হায়খিদুনি, ঐ ভসিদি বাবা শিবা তারে হায়রবা ফাওবদা য়ুমদা লৈবা য়াদে। হায়রিবসি ঐগী অরেপ্পনি!

মমা : কক্সিনো নগনা অস্‌ক য়ামা চোপলিবসিবু? নগী য়েরুম চাবীদু পুং ৬ তা উনদ্রবদি য়াদ্রবনিনে? পুং ৮ দসু চৎপা য়াই, চোপমন লাকমনদ্রে, মুপীনা উশিংলরোইনে নগবু? নপা অত্তাওবসে নমাতোমা উশিল্লিবসি উরেদ্রা?

নুপীদা হেন্না পান্না উৎলবদি ঙাশিন্নবনি ভাব তারব্রা ? নঙগী পাটিন্থু পুং ৮ দা চংলু। নঙগী লাই খুরুম্বা পুং ৮ দা লোইদবা য়াদে হায়থুনা ঐঙ্গাদা ঐনা হায়গনি।

শ্যাম : ইমানা ভাব তাদ্রে। ঐনা চৎখা য়াদে হায়রবসি নুপী পান্নগী বাঙাক নত্তে। ঐনা ময়ামগী অশিল অরাং ওইরি, অদুনা ঐ লৈতবা য়ারবনি। নুংথল পুং মথায়দগীনা লোইবা ফাওবাদ ঐ মকম অদু থাদোকপা য়াদে ময়াম চাবা-থকপা ভৌদোরিবনি, অদুগী শিল লাংবা পুন্নমক ঐগী দায়ীনি।

মমা : কনা কনানো অতৈদম্ভু শিন্নবা য়াই, পুং অমা অনিগী মতম শিন্নবা লাওবা ঙমদ্রবদি করি কান্নে নখোয় মরুপ মপাং ময়াম তিন্নবগী ? যতিনখোয়, কুমারকান্ত খোয়দা ঙহাক শিন্নবা য়াদ্রা ? নঙনা হায়দ্রগা ঐনা হায়গনি, ঐ শীনবীগে। অদুগা বা অমনা নঙগী শমদেনবীদু ঐ পামদে হায়রিবসিনি, অদু অদা তৌরক্লবদিনে, নৈবু ফত্তে হায়জম্থ হায়বিরিবসিনি। নঙগী পাটিনা লাই খুরুম্বদগী হেন্না লুপোৎ নত্তে, নং হোরেন পুং ৬ তগী ৮ ফাওবা য়ুমদা লৈগদৌবনি। লুপ্লবা লাই খুরুম্বসিদা নঙনা থঙইদবকা য়াপোৎ নত্তে। থঙমদবনি ঐগীদি হায়রিবসিনা লোইরবনি, নঙগা মরৈ য়েংননবা ঐগী মতম লৈতে ভাব তারব্রা ? ঐ চংলে থবক য়ায়া চিন্নি (চংকে তৌই)

শ্যাম : ইমা ঙাইখো রা ঙাংল্লখিসি। লাই খুরুম্বা খুরুমদবদি লায়রি, নঙগী ওইগদৌরিবী নমৌ নুপীগী মরমদা বারী শাখিস। ঐনা মাবু লৌবসি ইমানা য়াদে শিরা ?

মমা : কন্নি য়ারুনি। ঐ পাদে হান্ন হায়থবা নত্রা ?

শ্যাম : কৈদৌনা পাম্মোইদৌরিবা ?

মমা : মরম যাম্না লৈত্রে। ঐনা পামদে হায়রিবসিনি, মরম মচা অমা অনীদগী বাফম নত্তে, চাম্মথোক্লা পামদে। ইশম শম্বদা নখোয় ছুজিক কানগী চৎনবীদু ঐ পামদে। অমনা মখোয় ইমুংদু তিন্নীংদে। মপা-মপু কৈরাক থাবা মচা পাম্মী।

শ্যাম : ইনাক খুন্দ হায়বগী বারা!

মাম : খুল্লি, খুল্লি, ইনাক খুল্লি মখোয়মুক ইনাক খুনবা লৈতে ওরাং নহান খুনখিবনি। ওরাং নহান্তু খঙহৌ হৌখিবা মীসে হৌন লোনচৎ খঙদে। হৌনা লোনচৎ খঙবা, জাৎ নাইবা মচা পাম্মি।

শ্যাম : ইমা, নঙ ঐবুস্তু মাবুস্থ ইনশণ্ট তৌরে, নঙ হেনমল্লে। নঙ নাতোমনা ওইররোই নীংলমাল্লে ব্যবহার খঙবসে?

মমা : ঐ ইতোমনা নত্তে, মী খুদিংমক খঙই, ব্যবহার খঙবা ইমুং লাক্ক কয়া লৈ, মখোয়গী মচা মশু থিগদৌরিবনি, নখোয় থোকচোম নীঙোলহু ঐ পামদেয়ে।

শ্যাম : ঐনা লৌরবদি?

মমা : লৌবা য়ারোই হায়রিবসিনি?

শ্যাম : ঐনা লৌগনিয়ে ইমানা পাম্বা মুপীদু ঐনা পাম্লোই। থায়না ইমাখোয়গী অহল-লমন্না পাম্বা মুপী থিব অদু ছুজিক চৎনদ্রে। ছুজিক্তি ইশা ইশানা য়ানবা, খঙনবা, চান্নবা লৌনগদবনি। মতুংগী পুন্সিদা লৈমিন্নগদৌরিবসি ঐগা মাগনি ইমাগা বাবাগদি শিখিগদৌরবনি। অদুনা ঐনা খনবা মুপী ইমানা য়াগদবনি।

মমা : মদু ঐনা য়াদবা বাফমনি। লোনচৎ ব্যবহার খঙদবা চীঙ্গাক কাম্বা মীওই ঐহাক পামদে।

শ্যাম : কনানা হৌন-লোনচৎ খঙদে হায়রিবা? চীঙ্গাক কামই কনানা হায়রিবা?

মমা : হে-খঙই। নখোয়গী শাঙা চাবা, চাক চাবা খোংপা ঊরুজদবা, ময়া থিন্দনা চা লোনবা জাংতু ঐগী ইমুংদা চঙবা য়াদে।

শ্যাম : থবক নংননবা মতম শীজিন্নবা, হকচাং ফনবা প্রোটিন য়াওবা চীজাক চাবা অতু ইমানা খঙলোই। চাবা থকপা ফজবা ইমাদি ফজরেনে নমায়ন্তু কোপ্পে! চহীদি ৫০ কাওবা শুপ্রি, অতুনা বাবানা মশক য়েংবা মুংঙাইবা, কেবা হৈবা মুপী নহা লৌরিবসি ঊরব্রা? নখোয় চরা হেল্লগা থবক নোম্বা, য়ুমদা হুজিনলকপদা ফনেক অমোংপা অমগা হিংচাবী মান্দুনা লৈরন্তু খীরবনি, খীরবা! অতুনা ঐসু হুয়েং মুপী লোম্দনবা, কেবা হৈবা, অনৌবা মখলগী চংনবী খঙবা, অনৌবা মখলগী থোংবা-থাকপা হৈব মুপী লোগদৌরিবনি। ইমাখোয় চংগ্রগদবা মীগী চংনদ্রবা বাখলদা যানবা চংলবদি ঐংইশা মাঙজবা তাই।

মমা : হরে, হরে! ঊম শোয়দ্রেহে! মমান' হেক পোকখৈগী চাক য়েনঙ্খাং থোংবা, কোল্লিক ফেঙবা হৈহুবা, ফি মতেক শাবা হৈরক্তবা, ফৌ শুম্বন অমা শুরক্তবা অতু লৌরগনি, পানগনি, নঙ মুঙাইগনি! মশক ফজবতু য়েংলগা নঙ নবুক থনগনি। মুম পানবসু হৈরবোইদবা, য়েনঙ্খাং থুম থাক্লম দাইদা থুম লৈতে হায়তুনা অঙাং থাতুনা তুকান্দগী থুম লৈবা, লৈবা, শীং লৈতে চাক থোংলমদাইদা শীং লৈবা, অমা লৈতে হেক চেন, অমা বাংলে হেক চেন, চাওখংকনি, মকু মনেম ব্যবহার তৌরোইদবা, ইমুং মকুপ-মতা খঙলোইদৌবা-লৌ। ঐ অমা বন্দ! চঙনবা য়াদে, নখোয় নখোয় থোকপা লৈজৌ, ঐরা চঙনরোইদৌবনি।

শ্যাম : অতুগী বাদি য়াম্না খঙগ্রবজাংনি। বাংতনবা ঐনা পৈরগা

থমগনি। তত্তুগী করি রানিঙাই লৈ ?

মমা : উম বাংলোই ! বি, এ, পরিক্ষাদা অহুমলক শুন্নবা নওনা করি লৌদোরিবা ? হয়েং নত্তু মুপীত্থনা থবক তৌরগা নওনা অঙাং লৌবা শোইদ্রবনি ঐনা হায়রিবসিনি ভাব তাজৌ। বি, এ, ফেল নঙোন্দবু নওগী থোকচোম নিঙোল-ত্থনবু লৌবিগদ্রা ? ঐনা য়া য়াদদি লায়রিনে, নও মত্থ'দ খওদ্রোনে।

শ্যাম : হেরা, ঐবু ওন্থাক্লা হৃম্থনা লৌরেদা ইমা ! মীনা তারে ঐবু উশিত্তবা তারে বি, এ, অত্তুদি মিৎকুপ অমগী বানি, পাশ তৌগে হায়রগা নোংমা পাশ তৌবা য়াই। ওঝা থৎনরুবগী পরিক্ষা থাহন্দবগী রানে। ঐথোয়দি ওঝা থৎনবা ঙম্বা মীনি, মীনা হায়বদা গী গী ইনবা মীওই নত্তে। লাইব্রিক হৈত্রবত্থ হিংবা ঙম্বা, ইরন লৈবা কার তৌংলিবা মীনি। শাপন শ্যামকুমার হায়রগা লৌইরে, ইপানা অওর সেক্রেটরী, ঐঙোন্দগী হেন্না নুংঙাইবা কনানো, তৌনিংবতা তৌগনি।

মমা : তৌ, তৌ, তৌনীংবতা তৌ ইমানা হায়খিবত্থ চুমই হায়গদবা হয়েংতা নঙায়রে, হোরেন্না লাই খুরুমদবা য়ারোই, ঐগী অরোইবী হায়ব্রিবসিনি—(চঙখি, শ্যাম বা হায়বা নংহৌদে হঙ্গিন্দুনা থবক তৌই, রুহিকান্ত চঙলকই।)

রুহি : হল্লো শ্যাম।

শ্যাম : হল্লো রুহি। গ্লেদ তু সি ইয়ু। (খুৎ শোকই) কমসি।

রুহি : ঐ কদায়, কদায় য়ৌরুয়ে, নও লাকলব্রা হায়ত্থনা রুবতত্থ য়ৌরুরে, কোলেজ কাস্তিন্দা মেনেজরত্থ উনরুরে, হোরেনগী মেমুত্থ চোক তৌরবনি।

শ্যাম : কমদোই, যৎত্রবরা ?

রুচি : য়াম্না ফাএ। চিকন পম্লাউচু খরা হাউইদু হায়রম্মি। মখোয় অভাংশিংহু বেস্ট’ন স্টাইলদা থোংবা ফজনা হৈমাল্লেনে।

শ্যাম : হৈবনি, ঐখোয় ইশুন্তনা চারিবনি। ফাষ্ট ক্লাস মক্তি নত্তে, হায় সেকেণ্ড ক্লাস ফাওবদি য়োরে। ফুদকিদি শোয়রোইদা অদু বেন্দচু করম তৌবা?

রুচি : ‘লিক্তুল দেভিলস’ এনাগেজ তৌরুরে, য়ারে, মখোয় চমচু য়াদে হায়দুনা অতোপ্পা অমা থিদোরি শোয়ররোই।

শ্যাম : মখোয় লৈশাবীশিংদি এবাসেন্ট ওইবা য়াওরোইরো?

রুচি : ঐখোয় নোর্থ বেঙ্গল, কলকত্তা, গৌহাটীদি শোয়রোই। দিল্লীগা বোম্বেগন্থ শোয়ররোই, লক্ষ্ণৌগা এলাহাবাদকা খণ্ডদ্রি, মখোয় কাওবৃতু ইচাও চাওখৎতবা ওইনা তৌমাল্লে।

শ্যাম : উম! খরা কনসরভেটিভ ওইবনি। মখোয় ইউনিভরসিটিদা জগোইকা পণ্ডতৌ তৌদমাল্লে।

রুচি : জগোইকাদি কোকথোও অমনি। মখোয়না য়াওরদবর্গী রাদনি; অদু নওগী কারদি বাবাদা হায়নরক্রা?

শ্যাম : হায়দ্রি, হায়রুরবাদ বাজাউ ভাওলকানি, হোরেন লাক্লগা হেক্তা পুরগে খল্লি। ঐখোয়না লোইনমক পিক অপ্‌ তৌবা তারিত্রা?

রুচি : বোম্বে, দিল্লী নত্তনা অতৈদ ঐখোয়না পিক অপ্‌ তৌবা লাই; ভেহিকাল অতে লৈত্রে। ঐদী ষ্টেশন বেগনদুমা অদুম শীজিন্নবা য়ারে, নওগী কারদুমগা লাক্লবদি মখোয় অসোমদগী গাড়ী অদুম অমগদি মণ্ডা শুরে।

শ্যাম : পিক অপ্‌না করম হায়না তৌসি হায়ব, নও কনা কনা পুরক্কে হায়বা?

রুহি : যামিণী, নির্মলা, বিলাশিনি, স্নেহলতা অদুগা উমা—মঙাসি ঐ পিকঅপ, তৌরাগে নঙ অতৈ গৌহাটিগী ময়াম অদু লৌরুরো !

শ্যাম : উমাদি ঐ পুররে। নঙ বোদর তৌরুরমু। ঐগা হাম্না হায়নথ্রবনি।

রুহি : ওরাংতান মাগা ঐগা উনবদি। ঐঙোন্দা পিক অপ, তৌরোলাউ হায়রকই। নঙোন্দনা কৈদৌঙৈ হায়রিবা ?

শ্যাম : হায়বা হায়দবা মা লাকুবদি ঐনা রেসপোনসিবিলিতি লৌবা হায়বসি ইমপ্লাইদনি। হোয়, নঙনা লৌরুগে হায়বসু কায়দেদা, ঐনা অমুক বারুপ্রবসু য়ারে।

রুহি : নো নো, ঐনা য়াম্না মঙোন্দা থবায় য়াওরুবগী বা নত্তে, মান ঐঙোন্দা হায়রকই হায়বগী বানি। মাগী ইনতরেষ্টকী রাফমনি।

শ্যাম : ইনতরেষ্টকী বাদি ওইরোই, নখোয় দার্জিলিংদা তমিন্নবা অদুদা খঙনবগী বা ওইগনি।

রুহি : খঙনৈ ! অদুগা ইনতরেষ্টসু লৈ। উমা য়াম্না রাখল খনবা গালনি, মহাক কনানা কনানো মশক খঙইদা ! নঙ চংকে হায়বসু চংলু, ঐবুদ অন্ধানি।

শ্যাম : কৈনো নঙগী অন্ধানি হায়বদি ?

রুহি : অন্ধানি হায়বা ওল-দি সেম ! ঐনা মাবু পিক অপ, তৌবা তৌদবনা খেন্নবা লৈতে' ঐগী ইমেজ অমদি পোজিসন অসি মঙোন্দদি দি ওল সেম !

শ্যাম : ওঃ উমানা নঙ অসে ওইনাম রুহিকান্ত সিংহ, সিন্যর পোষ্ট গ্রেজুয়েট স্টুদেন্ট, গভর্ণমেন্ট কোলেজ দার্জিলিং, নোর্থ বেঙ্গল ইউনিভরসিটি, সন ওফ ওইনাম রামগোপাল, দিপুটি সুপরিণ্টেনদেণ্ট ওব পোলিশ সিনিনে ?

রুহি : মতুদা নত্তে, মতুদি লাইতর সাইদ ওব দি ইমেজ ! মতুদগী হেন্না দীপ ওইবা লৈরি।

শ্যাম : রুহি: নঙ ঐঙোন্দা ইমপ্রেশ তৌবা পামই শিরা ? ঐ থোইদোক্না নঙোন্দা এনমিতি থম্না পামদে। মীগী ইমেজ অসি একশন্না শেমগদবনি উমানা ঐবুসু খঙই—শাপম শ্যামকুমার ! সন ওন শাপম শরৎচন্দ্র, অগুর সেক্রেটরী—অদুগা অতুদগী হেনবা অমনা ঐসে উমাগী লভরনি। নঙ মাগী মরমদা বা ঙাঙবদা মসিগী পোইন্ট অসি কাউমাল্লে. মতুংদা নঙ ঐ উনব ঈকাইগনি, থোইনা বা ঙাঙনগন্নুসি।

রুহি : হোইদা, হোইদা, ঐখোয় পূন্নমক অশানা য়েক্লিবনি। নঙসু নঙগী নফম লৈ, ঐসু ঐগী ইফম লৈ। অদুগা ঐ দার্জিলিংদা উমাগা লাইরিক তম্মিন্নৈ হায়বসি কাউরে নঙনা ! ফৈদা ফৈদা ত্রাই ইয়োর বেষ্ট—আই বিশ ইউ লক !

শ্যাম : ওঃ থেঙ্ক ইউ ! ওল দি সেম তু ইয়ু !

রুহি : অদু বা অমা ঙাঙনসি !

শ্যাম : করি বানো ?

রুহি : হোরেন জগোই শাবদা পাটনর থাদোকনদব'দ তৌনগন্নুসি। লেটস গিভ চান্স তু ইভ্রিবান ! করি হায়বগে ?

শ্যাম : আদ দার্জিলিংদা নখোয় থাদোক্নদবা তৌনব্রা ? ঐদি অদুক য়াম্না চোপ্পা মী নত্তে, ঐখোয় শোমদা লৈবশিংদি য়াম্না লেমনগনি, নখোয় মপান্দা তম্না জাৎদি খঙদে।

রুহি : দিশেস্সিগী বাদি মপানগী ছাত্রশিংদি য়াম্না খঙইদা, শোমদা লৈবা নখোয়না খঙদ্রবদি হায়তুনা হায়বনি। থেন্নবগী বাদি ঐখোয়দগী তমগদবনি। রেস্তঁন মেম্বরস য়ায়বসিদি মপান থোক্কবা মীশিংনা খঙপোৎ নত্তে। জগোইদি লায়রবদনা হোরেন দিন্নবদা চামচ কাতা পায়বা হৈতবা মী য়াম্না

য়াওদৌরি।

শ্যাম : নঙ সাওবদনা তৗীনবা ! করি রাক্নরি, কোয়চৎ চত্তুনা ভস্নীবগা লোইরে !

রুহি : চাক চাবা তম্নীনবা ওঝাসু নত্তনা ঐদি ?

শ্যাম : ওইরগা লোইরে কৈদৌগে অদুবো ?

রুহি : ও: আই কুন্দত ক্যার লেস ! মখোয়' বা ঐ খঙদেদা। ময়াম মমাঙদা মখোয়দনি চোপচগবা।

শ্যাম : ঐদি খুংনা চাগে খল্লি ! কনানা নোকনবগে য়েংগে !

রুহি : নঙ লাকলিবা ময়ামতুবু ইনশন্ট তৌগে হায়বনিদনা স্পিশি য়েল্লি দি লেদিজ।

শ্যাম : ঈকাইবা পীবা পীদবা চাগে খল্লি।

রুহি : স্ত্রিক্কলি বেস্ত'ন্নি—শ্যামকুমার ! মতু য়ারোই খল্লুগন্নু। ময়াম মমাঙদা চোপচনি।

শ্যাম : কনানা স্ত্রিক্কলি বেস্ত'ন্নি হায়রিবা ? ওভর ওল সুপব ভাইজবদি ঐনি।

রুহি : মসি ইমপ্লাইদনি। সোশিয়েল ইথিকসনা হায়বনি। খঙদে, নঙ খঙদবা জাৎলা- সোশিয়েল ইথিকস হায়বসি ফজবা মথল জাৎ অমনি। রাউদিশিংনদি খঙলোই, ইনতলেক-চুবেলশিংনদি খঙগনি।

শ্যাম : (নোকই রুহিকান্তা নঙ নমান্নবগা করিগুম্বা মতমদা চেলেঞ্জ-কা তৌনগ্রবা ? ঐনা খঙবদি নঙসি অমুক্কা তৌখিদ্রিমাল্লে।

রুহি : খৎন-চৈনবগী চেলেঞ্জদি ঐ তৌখিদ্রি হায়বা য়াই। অদুবু ফোংদোক্নদবা রুইল তু বিনগী চেলেঞ্জদি কুইরে তৌরকপা। মদুগী রিজল্ট খঙগদবা পঙকুই কুইদ্রে।

শ্যাম : আই সি ! নঙগী রাইভেলদুদা নঙ মশক খঙইদনা !

রুহি : রাইটেভেলদি নম্ভবা জাৎনি, মানবা জাৎনা, কারগী মশক খঙালোই।

শ্যাম : উম ঙম্লনবা হোৎনৌ! থবকনা মীগী মশক তাক্কদৌবনি অক্লবা মানবা রানা তাক্কদৌবা নত্তে, রা অচৌবা ঙাঙবা মীশি বাজাউ ঙাঙবা কৌই ঐখোয়না—তোপ্ত তোকর খঙলেদনা?

বীরহরি : (চঙলকই, অচৌবা খাউ অমা য়ান্দুনা লাকই) করি তৌরবা কনানা তোল তোকর ওইরবা! হল্লো রুহি কৈদৌঙৈ লাকই?

রুহি : অঙ্কল! ঙসি মঙানি তরককনি শুজরে! কনাম্ন কৈস্নু হায়দে শ্যাম ইবানি চুম্না রারী শারম্বনি।

বীর : আই সি! করি বারী, করি থকলে, (ঘড়ী য়েংই) তুয়েলভ থারতি, চাক চারগা চৎলে। ঙাইহাক বারী শাখিসি! চুরুট থকপ্রা—সে থকউ! সিট ফোর এ হবাইল! খুড়া পোং অমস্তা লৌথোকউখিগে (মিংশেল অচৌবা অমা থাংদোক-লকই) হায়য় কম কম তৌরিবা? হাউ ইজ দার্জিলিং? (তুপী পুথোকই, পোং অতৈ অতৈ পুথোকই, অনোক, তুপী, কাংচুপ এক্তিং তৌই, মতাং চাননা উপ খোংলি) লাইরিকনা কমদৌরি?

রুহি : এভ্রিথিং ইজ ফাইন, অঙ্কল! অঙ্কলগীহৃবু করি তৌবী-রিবনো?

বীর : হোরেল খুড়াগী লীলা লৈয়ে, সোশিয়েল লীলা, খুড়া রাউদি অমা শারি। অতুগী পোং খোমলুরিবনি শ্যাম নঙগী খুপ্রী অমা লৈবহু খুড়াদা ঙসি থরা পীয়ু—হায়য় রুহি, লংফৈদা কুইনা লৈরুরগা থোরকপদা করি য়েঙ্খাংনা হাউ-রিবা? অমেৎপা ঈরোম্বা, হবাইচার, শোইবুম, করিনা

খিৎ ফম্রি ? শ্যাম—করি য়েঙ্গাং থোংলি য়েংউচো (শ্যাম চৎখি)

রুহি : অঙ্কলগী য়েঙ্গাংশিংসিদি ঐখোয়না চায় হায়বদা ঈকাইবা ভাক্কা ভায়রে ! মতুংদি ঐদি অমত্তসু চাদে, করিনা ফৈ হায়গদৌরিবনো খঙদে।

বীর : ওঃ আই সি ! উতোংঙা চাববু 'চায়' হায়বা ঈকাইবা গ্রুপ অদদা নঙস য়াওরাব্রা ? মণিপুরগী মীনা উতোংঙা চাবা হৈতে হায়বসিদি খুড়াদি থাজদে।

রুহি : উতোংঙা, হরাইচারগুম্বা অপুম্বা চীঙ্গাক চাবসি মীনা উশিত্তে অঙ্কল অদুনা ঐ তোকলবনি।

বীর : মীনা উশিৎনবা নঙগী চীঙ্গাক তোকলবা হাঃ হাঃ হাঃ নঙ সাইন্সকী ছাত্রকাদি নত্তেকো ? সাইন্স ওইরবদি অপুম্বগী দিফিনিশনগী মরমদা বা ভাঙনবা য়াই, কেমিস্ত্রিগী পারা ওইগনি। উতোংঙাদি অপুম্বা পোৎ নত্তেনে, ফরমেন্টেশন মখল অমনি, পুম্নবদি পোৎ অতু দিশইন্তিগ্রেদ তৌরগদৌ-বনি। বাই দি বে ! ঐখোয়না উতোংঙা, চাবশিবু চোপ্প্রনে ! মীনা উশিৎপদি শিদা (ব্রেন্দা খুৎনা কাপই) মীনা ঐখোয়বু উশিত্তবদি উতোংঙানা নত্তে। উতোংঙাদি ঐখোয়গী ফুদনি, ইমপোরটেন্ট ফুদ। এনিবে—করি চায় হায়রবদি লেপ্মি ? চিকন ! বাই মোর্ডন ষ্টেন্দনর্দ'স ?

রুহি : (মুাঙাইনা) হোয় চিকন খোয়সি অফবা য়েঙ্গাংদা চিংই।

বীর : রেল নোংমা শাংনা মরৈ য়েৎনসি ! বাই দি বে ঐখোয়না উতোংঙা চাবশিবু চেপ্প্রনে। নঙ য়োংচাক চাদ্রা ? আউর স্পিশিয়েল দিশ ! বান্দরফুল ! 'মীগী লমদা ফংবা চীঙ্গাক নত্তে।

রুহি : অঙ্কল মসিগুম্বা তাইপ ওব ফুদ অসি ঐ কয়া ভৌজদে !

বীর : আঃ হাঃ হাঃ নঙ ঈকাইরবা ! য়োংচাক চাবা ঈকাইরবনিনে, নঙ মৈতৈনা ! রুহিকান্ত নথোৌনা লৈতেদা, ঐগী চীঙাক চাববু ঈকাই হায়রানে ?

রুহি : অঙ্কল চিপ কালিতি ফুদসি ঐ তোকচরে !

শ্যাম : (থোরক্ত্না) খুড়াতোন, খুড়াতোনগী লাইথরোই ঈরোল্লি, ঙা অমস্থ থোংমাল্লে।

বীর : হাঃ হাঃ অনাদর স্পিশিয়েল দিশ ! রুহি নঙ থরোইস্থ চাদে নত্রা ? আই এম সোরি ! বং স্তিল ঙা থোংবদি চায়দনা— চাক চারগা চৎলু, ঙা অমদি থোংলিমাল্লে ! খুড়াগী স্পিশিয়েল দিশ ওইনা লাইথরোই ঈরোলহল্লি ! ঈস ! হাওঅ-পোৎনিহাই নথোয় তাইবুংঙো রামগোপালদ্র পামগ্রবনিনে থরোইদি। ঐখোয়না পিকনিক চৎপদা থরোই সিজন্দা চৎলি—লাইথরোই ঈরোনবা, ঐখোয়গী স্পিশিয়েল দিশনি-য়েল ফোরগেৎ ইত, নখোয় পিকনিকা চৎলোইদ্রা—ছুটি —থোকলকপগী ইরাঙ-লাঙবা তাদেদা

রুহি : ঐখোয় ভসি দিম্নর কম দাক্ল পার্টি অমা তৌগদৌরি— ওফিসর ক্লবতা অতুগী বা শ্যাম ইবানি তাম্নরমইবনি।

বীর : আই সি ! নথোয় থবক য়াম্না কল্লিবজাৎনিদনা ! ড্রিঙ্কস্তি য়াওদ্রা ? নথোয় য়ুদি থক্ত্রা ?

রুহি : ড্রিঙ্কস্তি য়াওদে অঙ্কল ঐখোয় য়ু থক্তে।

বীর : গুদ ! য়ু থকপা নৌরিবা মীনা চাক চানবদা য়ু য়াওবসি বা য়াম্না থোকই। চহী চহুম চাৰ্শ্বিরোম য়ু থকপা তোকলুরগা অমুক থকপা তমলকপসিদা হৈতহনা পঙথক্কা থকচিল্লুনা য়াম্না ঙাওনথ্রে, নথোয় দাক্সপু হৈবরনে ?

রুহি : এঃ দাকলকী বাদি য়াম্না হৈগ্রবা জাৎনি, রেস্তর্ন দাক্স অয়াম্বা হৈনরে, মসিদা অঙ্কলগী যোৎ করি লৌবিগে ?

বীর : করিস্থ লৈতে, ফৈ, পৃথিবীগী চংনবী থরস্থ হওবা য়াই। মোর্ডন লিভিং দরকার ওই, ঐখোযগী রে ওব লাইফংা তেস্থ থরা হাপচিনবস্থ ফৈ মথেল ওইনা !

রুহি : অঙ্কলবু হৌজিক করি তৌবিবগে ? মহৌশাগী বুকশোপতু অদুম লৈরিবরা ?

বীর : খুডা দুকান কমল্লি, ড্রামা তৌরি, খুড্ডাদি মুঙাইবা মীনিনে। হাবি জাবী মযাম খুডাদি হৈনদে, ইনদিপেন্দেণ্ট বিজিনেস — মুঙাইগ্রে, সিমপল লাইফ নো হংগ ! অশংবা মংমদা কোইর্গনি, লম চংকনি, গেম চংলুনি, পিকনিক চংলুনি, করি হায়বগে ? লাইফসি তেস্থ খয়স্থ দবকার ওই নত্রা ?

রুহি : হোই, মহুদি অঙ্কলগা ঐগা মোং মান্নরে।

বীর : থবক্লা নোমজুনা লৈরুজুন। কৈদৌগবনো, করি হায়বগে ? পৃথিবীসে ঐখোয়দগী হেন্না নোম্বা মী কাওবু কয়াস্থ লৈ, ঐখোয়দা মতে, মুঙাইবা চেঞ্জ খর অতুস্থ পামই খুড়াস্থ !

রুহি : অঙ্কল ড্রামাদি করম তৌরিবগে ? ঐখোয়দি মপান্দা লৈরুবনিনা ইখঙ খঙদ্রে।

বীর : ঐখোয় জাৎসি ড্রামাসি হৈনবা জাৎনি। ড্রামা মুভমেণ্ট অসি লৃদি লুগ্রে মণিপুরসিদা। নহারোল্ল এডুকেতেদ লৈশাবী ময়াম্না ড্রামা তৌবা দরকার ওই। মহৌশাগী স্তিগমা অমা লৈবতু লৌথোকনবা লাকনগদৌবনি, তেস্থ কুয়েট তৌবা, ড্রামাগী ভেল্যুসিবু পোপুলেরাইজ তৌনবা হোৎনগদবনি। ড্রামা ইজ এ গ্রেট আর্ট ফোর্ম নত্রা ?

রুহি : হোয় অঙ্কল চুমই (হৌগংলি)।

বীর : অদু নঙ চাক চাররোইদ্রা ? লাইথরোই হাউব্রা য়েংখোনে !

রুহি : অঙ্কল' ঙসিদি ঐ চাক চাররোই, নোংমা চারগে। অঙ্কলস্থ ড্রামা লৈরমদ্রবদি খোয়গী দান্স রাওবা য়ারস্থনি।

বীর : ঐবো ! ওঃ নোঃ মত্থ নাখোয় নহাগী থবক্কি । মত্থ খুড়ানা ঙৈনবা জাৎ নত্তে। পিকনিক কুম্বা ওইরবদি য়াওবা য়াই ।

রুহি : অতুদি মতুংদা পিকনিক অমগী প্রোগ্রাম লৈ, শোয়দনা য়াওবয়, ঐগীসে ইনভিতেশন একসাতেন্দ তৌজরিবনি।

বীর : ওঃ থেঙ্ক ইয়ু ! শিয়োর, শিয়োর, য়াওগনি ।

রুহি : অতুদি অঙ্কল ঐ য়োরগে, নোংমা অমুক চৎথোকচরকে । শ্যাম ! ঐ য়োরগে, হোরেন রবতা উনরসি !

শ্যাম : ফারে রুহি চৎলো, হোরেন উনর স !

বীর : রাইত হে, নোংমা চৎথোরকউ ! (মিংশেল য়েংহুনা এক্তিং তৌই)

শ্যাম : খুড়াতোন, ঐখোয় প্রিন্সিপালগা খঙনবীব নত্রা ?

বীর : খঙনৈ করিগীনো ?

শ্যাম : অমুক্সা উনবীয় । ঐগী পরিক্ষা থাবা য়াদবসি মরমদা অমুক্সা ঙাঙনবীয় ।

বীর : নঙনা পরিক্ষা থাবা য়াদ্রগা ঐনা কারি ঙাঙনগদৌরিবা ? নঙনা কলেজদা তম্বদা ঐ য়াওব্রা ?

শ্যাম : য়াওদে

বীর : নঙনা খৎনবা মতমদা ঐ তানরম্ব্রা ? কৈদৌবগী খৎনরুরিবনে ? কন্সেকেন্স অতু লোবা ঙমলোইদৌবা ওইরবদি করিগী খন্দনা থবক তৌরুরি, নরীনম্ব লৈতা ! মরীন লৈতবা মীগী ব্রানোম্বা ঐদি ঙমলোই, ব্রানোমলোই হায়বগা ঐত্তা ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা লৈরবসি নঙ খঙব্রা ? বা নোম্বা পামদবা ঐনা গত,সম্ব য়াওদবা নঙগী বা হায়রুহুনা ঐগী ইশাগী থাজববু বিত্তে তৌগদ্রা ! নেভর—আই এম শোরি— ।

শ্যাম : হোয় খল্লহৌদ্রে, হৌজিক খল্লকনে, ঐ বি এ সি থাদোক্লীংলে মুংভাইরক্তে। অদু খুড়াতোম্না অমুক্তা ভাওনবীয়ু।

বীর : নঙ মী থানদবা অঙাংনি ঐ খঙই, নঙ ঐবুদি কিব্রা ?

রুহি : কিয়ে, ঐনা জগন্না কিবসি খুড়াতোনবুনি।

বীর : রাইত্ ! অদু খঙগদবনি ; ঐবুদি কিয়ু। পরীক্ষা পাশ ওইনবা লাইরিক পাগে হায়রবদি পরীক্ষা থাবস্তু য়াগনি। পাশতমক ওইনিংবা. লাইরিক ঊল্লাইরোইদবা ওইরবদি নঙগী বাতু খল্লুন্ন ইউ স্তে এজ ইউ আর !

শ্যাম : খুড়াতোন, ঐ পাশ তৌগে, ঐ খুড়াতোন্দা হায়জরিবসিনি. ঐ অতৈদদি হায়জরোইয়ে।

বীর : নঙনা ঐতোন্দা হায়জরগা ঐনা হরাউগদবা লৈতে। হায়জরুবদা লেপ্ন লেমদবা হায়বা মীওং লৈ। এনিরে, আই রিল সি। নঙগী কেশ অদুইস্তদি তৌনি। তৌজিক ঐ চাক লাম্মে, চাক চারুরসি।

(সনা তোম্বী লাকপা উই)

নখোয় নমাতোন নব্রা লাকলিবসে ? চারু। চাক লাম্বদা করম্বা ঈ-পাউ অমুক তাদৌরিবা ?

(সন তোম্বী লাকই, অকেবা ফিজেৎ, অনৌবা ফেশন ! লাইবক ময়ায়দা চন্দন কোইরক-কোয়না নমই, অনোক উপ্নী, ভেনিতি বেগ পায়)

ইতৈমতোম্বী কদোমদগীনো ?

সনাতোম্বী : য়ুমদগীনি। চাক চাদ্রিবরা ?

বীর : চাসিরা হায়তুনা তৌরমলি। ইতৈমতোম্বী চারব্রা ?

সনা : চারে। শ্যাম নঙসু চাদ্রিবরা ?

শ্যাম : চাদ্রি ইমাতোন ! ইমাতোম্না চাক কৌনি কৌনি হায়রগা নোংমতসু পীজদেকো।

সনা : নঙবু অমুক্তা চাক কৌজাগ হায়বনি, নহাক্তা থবক চিনবনা চাবিরব্রদো ? নহানস্থ চাক থোংবমখৈ থোংলগা অরেম্বদা চাবিদত্থনা লোইনা মাঙই।

শ্যাম : ঐঙোন্দদি হায়স্থ হায়দনা।

সনা : য়াইমদা হায়খিবনি, নঙ থেংনদদনা ইচেদা ওইনা পাউ হায়রম্মী হায়ত্থনা তম্মেনে। ইচেনা হায়দ্রা ?

শ্যাম : ঐখোয় ইমাদা ! ও' (নোক্লুনা) মাথা অসে বিভূলা চূরবনি, হায়রম্মগা কাউবা হায়বসিপাইদনা !

সনা : কদায় বিভুলাকা হায়দনা একাতভ ওইগ্রবা ব্রোম্ন ইবুংঙো, ঐনা চাক চারো হায়ত্থদা থওইনা হায়দব ওই-রিনি। ওস্থাক্তা ঐঙোন্দা কনফিদেন্স লৈখিদ্রেবা হায়বত্থ ওইরে। হুকা হাপ্পুনা হাংকাদৌবোই নীংবোইদনা ! (বীর নুঙাইনা তায়, ইমুংদা ফল্লপ ফল্লপ য়েংই)

শ্যাম : কৈদৌবগী হু হাপ্পুনা হাংতৌরীবা ?

সনা : নঙগী বাবাবু পোজেশ তৌনবা হায়াসঙায়দনা !

শ্যাম : ঐ ভাব তাদ্রে।

বীর : কদায়দগী তানি। নঙগী ব্রেন অত্থনা খঙবদি অপঙবগী পাঙ্গল শীজিন্নবতনি। ইতৈমতোপগী বাসি ব্রেন শীজিন্ন-বনি ব্রেন, ৎকাঙকেল এপ্রোচ—খঙলেদনা ! অত্থনস্থ বি, এ থাগে হায়নে।

সনা : বীর অমুক্তা এক্সপ্লেন তৌ, তাহল্লু মাবুস্থ। ঐস্থ ব্যাখ্যা তৌগে।

বীর : য়েংঙোই, নখোয় ইমাগা ইমাতোনগা নখোয় বাবা অসি অমনস্থ মাগীনি মাগীনি হায়না ক্লেম তৌইদনা !

শ্যাম : হোয়।

বীর : অত্থদা নঙসে নখোয় ইমা অমদি পাবুংগী ওনলি সন্নিদনা !

অত্তুনা নখোয় ইমাতোম্না নঙবু হু পীজত্তুনা হাৎতোক্লবদি নখোয় ইমাগা বাবাগগী রিলেশনসিপকী ইউনিতি পব পরপজ অত্তু মাঙলে ; অত্তু ওইরবদি মশক ফজবা, নহা ওইরিবী ইমাতোনগা বাবাগা লৈমিন্নরে। হায়বদি নখোয় ইমাগা ইমাতোনগগী স্ত্রগল অত্তু ইমাতোম্না জয় ওইরে—ভাব তারব্রা ?

শ্যাম : মাই গোড ! ঐনা অমতম্ন ক্যার তৌদবা মখোয় ময়াম অসিনা ঐবু মখোয়গী রাখলগী ফোকেল পোইন্ত ওইরবনিনে!

সনা : ঈশ্বর শাক্ষি, ঐনা অত্তুগুম্বা রাখলকা হেক লৈরবদি। নখোয় নমাঙদ বাশক্তুনা হায়রিবসিনি। বীর নখোয় নতৈমা অহলসি ওম্পোক্লা জেলস, ওইখ্রে হায়। হিংমিন্নবসি ইয়া য়ারোইদৌরি।

বীর : আই এম নিউট্রেল ! ইতৈমতোম্বী প্লিজ ! ঐবু ইরৈ মরক অসিদা লৈশীনবগ ন্ন ! বাই দি বে, হিংমিন্নবা য়ারোইদৌরি হায়ত্তুনা আইদিয়া খরা সজেষ্ট তৌরি, হিংমিন্নবা য়াদ্রবদি শিমিন্নবা তারব্রা ?

সনা : শিমিন্নানা হায়বদি ঐ হায়দ্রি, কনান খঙগনি, সারকমষ্টেনসনা য়াদ্রবদি মত্তুদা তাবম্নু য়াই

বীর : শিমিনবা তারবদি ঐঙোন্দা হান্ন এডভান্স ওইনা তাকপীরকউ। ঙান চাননবা ঐ অরাপ্পা মফমদা তুর প্রোগ্রাম অমা শেমজহোগে।

শ্যাম : তুর চৎপা তারবসু পাউদি অত্তুম লাকনি খুড়াতোন !

বীর : উম পাউ ওইনা তারগা ধর্ম্ম কর্ম্ম লোইগ্রগা হল্লকে। কর্ম্মধারী ওইবত্তু খুড়া তল্লি।

সনা : খঙদে, ঐঙোন্দা ওম্পোক্লা হোষ্টাইল ওইখ্রে। ঐ য়ারিবমখেবা ভাঙজদবনি, মমৈদদি শাউনীংলকদৌরি।

শ্যাম : ফরে ইমাতোন শাউরন্নু, অদু চাক চাবা লাক্লগে, য়েস্থাংদি স্পিশিয়েল দিস পীজোকো। ইমাতোম্না থোংবা ভাক্রাহু হাউপ্রবনি। নহানগী শঙ্গোম ক্ষীরতুগী মরমদা ওসি অয়ুক্তা ইমাদা বারী শারমই। ঐখোয় ইমাসি ফংখিদ্রেদা, চাক য়েস্থাং অহু উবগী তাঞ্জা ওম মিশ তৌহল্লিবনিনেসে।

বীর : ঐবুদি য়াওহল্লোইদ্রা ইতৈমতোগী! ঐখোয় শ্যামবুদা মকোই, ঐবুদি ইকৌ কৌদে। য়ামদ্রবদা ঐস্থ ঐখোয় তামোগী মনাওনি। ঐবু লুনা তৌদ্রবস্থ নোংমফাদোক চাক পীজবদি য়াই।

সনা : নখোয় ময়াম চারনবা খিন্দুনা লৈয়ে ইতৈমাগীদা? নহান্দস্থ ফবালাদগী উকাবী অয়াইবা লুবাক ওমা পুরকই! ঐনা কৌদ্রবস্থ লাকতুনা ইতৈমা সি চাগে অদু চাগে হায়বা য়াই নত্তস্থ।

বীর : ঐবুদি কৌদি কৌদনা ইকাইদ্রনে?

সনা : ঐনা নত্তবস্থ কৌরবদি, মতুংদা নং থুমাসদা চাক হাপ-ত্রেদনা।

বীর : করম্না!

সনা : ওসাইমথৈ হায়খ্রিবা ময়াম অদু অঙ্কানি নত্তোন্দস্থ। ঐদিনে পুক্তা করিমত্তা শেপতে, নখোয় নতৈমা অহম্না য়াম্না নুঙাই-তব য়াই থনবদগী ইতৈমা, ইনাওবু পঙতোয় তোয়না চাক চারোকো হায়দবনি।

শ্যাম : ফরে খুড়াতোন, নোংমা ইমাতোনখোয়দা চাক চারুসি। ইমানা শাউবকা য়াপোৎ নত্তে, মান শাউবগীদমক ইমা-তোনগী অহাওবা পোৎ নাম্থোকপা য়াপোৎ নত্তে।

বীর : নত্তগা ঐগদি য়েস্থাংদি তিম্নরোই। অদুবু ইবাম্নি ওমিশন এণ্ড কমিশন তৌনরগা চামিম্নবা য়াই। অদু হৌজিক

কৈদৌসি হায়বা ইতৈমতোগী ?

সনা : উমঃ হায়গে, অত্তুগী লাকপনি। নখোয় ভামো হল্লক্লবরা ?

বীর : হল্লক্লি মাল্লে, ঐনা লাকপদগীদি থেংনদে।

শ্যাম : হল্লিক্ল, মুংভিগী লঞ্চ অবারদা হল্লকপনি, ঙসিদি য়ৌরক্লি !

সনা : শোয়রেদনা। অত্তুদি ঐ ওফিস য়ৌরুগদ্রা ? ঙন্থোকনা কায়খ্রেদা সৈতা !

বীর : কৈদৌরবগে ?

সনা : আ: মলজিৎ সিংহদগী রেফ্রিজিরেতর অমা লৌবা, নহান্না রিসিভ তৌত্তুনা থনম্মবনি, পৈশা ঙসি পীগদবা, নখোয় নয়াম্বদা লুপা ১০০ তা হাপপু হায়বনে। ঙসি পীগে হায়রগা মাঙথ্রিবসিনিদনা। ঙন্থোক্লা ঙমখ্রেদা।

বীর : অত্তুদি কমদৌনি ?

সনা : কমদৌনি ! মলজিৎখোয়দা চৎপা তারেদনা। নিংথৌকাবা মুমিত্তা পীগে হায়বা তারে। শ্যাম, চাক চাথোকলুরো, নফি শেৎচিল্লকউ, ঐগা মলজিৎখোয়গী দুকান ফাওবা চৎলু সি দুকান চৎপসি ইতোমতা মুঙাউতে। চৎলো চৎলো বীর নঙস্থ চারুরো, ঐ ঙহাক ফমখিগে। (মপান্দা য়াইমা লাকপা উই)

বীর : ও : য়াইমা লাকএ ! মঙোন্দগী পাউ খঙলনি।

(য়াইমা, চপ্রাসিগী ফিজেৎ শেৎলি, চঙলকই, ময়াম মঙোন্দা, য়েংই)

য়াইমা : (ময়াম্না য়েংবত্তুদা মফি মরোলদা য়েংই, অত্তুদগী) কৈনো ময়াম্না য়েংবিরিবসিবো ?

বীর : পাউ য়েংলিবা !

য়াইমা : পাউ য়েংলিব ! ও : কনাগী পাউ ?

সনা : নখোয় সাহেব কদায়দা লৈহৌই ?

য়াইমা : চৎরে !

সনা : কদায়দা ?

য়াইমা : খঙদে, তাকলমদে, থিরকন্ন হায়রম্মি ।
(বীরনা, শ্যাম পুশিন্দুনা চঙখি)

সনা : শেংনা হায়য়ু য়াইমা ! কনাদা চৎকনি হায়রম্মি ? ওসিবু ওফিস মতম লোইরব্রনে ?

য়াইমা : মতমদি লোইদ্রি অদুবু চৎপা য়ারে, চৎলনি হায়রম্মি । থবক্তা অদুম মরী মরী শমখিবা ওইরমাল্লে । নিংথৌকাবগী অমুক্তা হল্লকনি হায় । ময়াম (মমিৎ কল্লপ য়েংই) ফম্বা য়াওগদৌরিমাল্লে !

সনা : (ফি মচিনা হুমাই হুমই, গোল্ড ফ্লেক চুরুট থকই) স্বিন্দলর ! খঙনি হয়েং হল্লক্লগা খৎনগে । ব্রেকিং হিজ প্রোমিজ ! হুম ! (চুরুট চিংই)

য়াইমা : করম্বা অরুবা থবক লৈবনো ?

সনা : (কন্না) অরুবা থবক লৈতনা ঐনা নখোয় সাহেপপু থিত্রা ?

শ্যাম : থিজরুচো হায়ত্রা ?

সনা : থিররোই, থেংনরবসু কান্নররোই । জুবার মফমদা পৈশা ফংবা হৌনদে, মানবু জুবারদা শেন হেক মাঙলক্ত্রবদি য়েংউ । মচীন থীরম্মিবনিনেসে ঐঙোন্দা ফৈ ! (শাউনা লৈ, য়াইমা তেবলদা কাইলনচিংবা থমই)

য়াইমা ! নঙ ঐগা থবক অমুক্তা চৎলুসি, নঙ লাকপা য়াম্না ফরে, আদা শ্যামদা ঙহাক্তা চৎলুসি হায়বনি । ঐনা অমুক পুথোকক্লগা মখোয় মমাইবেম্মনা মৈ অমুক থাবহু তাবা তল্লি । মা থনমমগে !

য়াইমা : কদায় য়ৌদৌবনো ?

সনা : আ : হুকান ফাওদনিদা ! নঙ অচিনবা লৈত্রা ? লৈরগা শ্যামগা অদুম চংমিন্নগেনে।

য়াইমা : থোইদোকপা লৈজদে। ঐসু শোমদা চেম্মুং থনমলগা অসোমদা য়োরকসিরা তৌজরমলিবনি।

সনা : কনাদা, ঐখোয়দা ?

য়াইমা : অ:হায় !

সনা : করিগী ?

য়াইমা : সুম থবক অমত্তগীনি।

সনা : করি থবকনো, হায়য়ুনে।

য়াইমা : হা : উম : ··· বাফম অমথক্তগী ······

সনা : ঐগা ঙাঙনগদবরনে ?

য়াইমা : আ : ঐখোয় সাহেবতা হারজবা অদু সাহেবনা সুম হয়েং হয়েং হায়দুনা লৈবিরবা অদুনা ইমাতোন্দা অমুক্তা হায়বীয়ু হায়গে হায়দুনা তৌজবা।

সনা : কনাদা ?

য়াইমা : আ : হন্দক:ফার গ্রেদ থরা হাপকদবা অদুদা ঐখোয় অঙাং অমত্তং দরখাস্ত থাহনজবা, অদু শোয়দনা থরা তৌবীয়ু, হায়দুনা সাহেবতা হায়বা অদু সাহেবনা ইতা তাবীদবা ! ইমাতোন্না সাহেবতা নত্রগা হাপ্পা ঙমগদবা মীদরা অমুক্তং হায়বীয়ু হায়জবা।

সনা : ঐনা হায়রগা য়াদৌরিবরনে অদুবু ? নখোয় সাহেবপু খাঙজিবসিনিনে। থবকপু কনাগীনোনে ? নখোয় অঙাং হায়ববু কনানো ননাউরা ?

য়াইমা : নত্তে, চুম্না ঐখোয়গী অঙাং অমনি !

সনা : অদুবো কনানো হায়মি ?

য়াইমা : আ : ঐখোয়গী ইশেনশিং অমগীনি।

সনা : কনানা পোকপা ? নখোয় মামনা পোকপ্রা ? নখোয়-মামনা পোকপহুদি ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেণ্টতা কেরানি ওই হায়বদায়নে, মৈত্রিকুলেতনি হায়বদাইনে ?

য়াইমা : অহুনা মামনা পোকপনি · ·· হন্দকীসনা ঐখোয়·· ··· অঙাংশিংগী মৌপ৷নি · ··· ।

সনা : (ভাব তাহনা) ও : হে : ঙসাইনা অহু হায়য়ুদনা ! য়াইমা নঙদি থবক চাওশিল্লমইদা ! নঙ লৈশাবীহুগী মৌপ৷গীনিনে ! ভালো হায় ! করি নোমদনি—অহুবু নঙবু লুহোংস্থ হোডপ্রি, কৈদৌঙৈ হোঙদৌরিবনো ? থবক হাপপুরগা হয়েং নঙনা ফংহৌদদনা কহা-মাঙ খুজাইকায় তানিকো !

য়াইমা : ইমাতোন, ফংদবগী-বাদি লৈতে । ঐনা শেন-থুম থরা বাইয়োং চাদবসিনা স্থম থরা য়েথবনি, মাগীদি চংসিদা হায়না লৈরিবনি ।

সনা : য়াইমা নঙগীসিবু চেন্দৌরিব্রনে ?

য়াইমা : হোয় চেন্দ্রবদি ঐনা চহী-থরা লিরপ তৌবসিদা ঐখোয় অহলশিং থাগদৌবা থরা ইকাইরে । খঙনবগীবুদি ইথঙ খঙনরবনি ।

সনা : হোয়নে হোয়নে ! ভাব-তারেনে, নঙনা তলব ফংবা খুদিং কৈথন্দগী ফুরিৎ ফি, শাল, থাউ, পাউদর লৈ হায়বা রিপোর্ট ফংইনে ।

য়াইমা : থর নংবহুদা ইমাতোন ঐনা মুংশিহুনা স্থম থরা য়েং-শিনজবনে ।

সনা : খঙল্লেনে ! মুংশিদ্রবদবু করি লৈনীঙাই লৈবগে ? মুংশিব-শীবুদি লৌপ্রিঙৈদা ইশেনগী থবক থিরেদনা ! অহু নঙ ঐনা বানোম্বগী ঐগীদি কায় পীনি ?

য়াউমা : ইমাতোম্মা পাম্বসি ঐনা খনবদা গুলী তাননবা ঐখোয় তুরেন্দগী বায়খু ফারকসিন্না খল্লি। ইমাতোনগী বায়খু গুলী মাইবনা চাও হায়বদু ঐ খন্দুনা লৈজরি।

সনা : নরক তাগে য়াইমা শোয়দনা নোম্বীরগে। নঙসে ভাব তাব্রেদা বায়খুদু খরা নীংথিজনা ফারকউ, ঐ গুলী চাদবা য়াদবনি। হকচাংসি ধাতু-মুংশিং শেংদ্রে। শোয়দি শোইনুকো!

য়াইমা : ঐগীদি শোয়জরোইদা!

সনা : ঐনা শোয়নি শিন্না? উম—ঐনা শোয়বা শোয়দবা হায়বশি নংনো খরায় য়াওবগী চাংদা লৈরে নঙনা বা শোয়দ্রিমখ্রে নঙগী খবক্তুদি ঐনা য়াম্মা ওমই। করি হায়গে?

য়াইমা : অদুনা ইমাতোন্দা হায়জরিসিনি!

বীরসিং : (লাইথরোই ঈরোনবগী মোরেকে শারপ তৌনা খোরকই) য়াইমা! হাউই হায়, লাইথরোই ঈরোনবদা মুকথ্রবী মপান কোৎপগী মহাউসিদি করি হায়রুনি। ইতৈমতোম্বী! চুরুট অমত্তা থকে, অহাউবা ব্রান্দ ওইরনিনে, ঐগীদি হাউতবম্ব লোইথোকখ্রে।

সানা : লৈরে সিদা লৌরো (চুরুট লাল্লি, বীর থকই)

বীর : অদু, কমদোবা? তামোগী করি ইনফোর্মেশন লৈরবা? কৈদৌসি হাইবা?

সনা : কদায়দা লৈবগে খঙদে, ঐগা খবক্তি লোইরে, দুকান্দা চঙলমলগা য়ুমদা চংখবা হায়দুনি!

বীর : তামো থিদবা তারবা?

সনা : থিররোই, থিরুদুনা কান্নররোই, উনরগা ঐঙোন্দগী পৈশা থোংদোকলম্বা ত্তগানি।

বীর : য়াবু য়ারবদি ফরেনে। অদু অতে সবজেক্তা বারী শাবা য়ারবরা ? অতে রিলেতেদ মেটর করি লৈরিবগে ?

সনা : হৌজিকীদমক্তদি ঐগী অতে হায়দৌবা লৈত্রে। নঙনা হায়দৌবা হায়রো তারসি।

বীর : থবক অমত্তা তৌবীয়ু।

সনা : করি থবকনো, কনাগীনো ? নঙগীরা ?

বীর : ঐগী নত্তে, মৗগীনি।

সনা : এঃ নঙসু রানোম্বা য়াওরব্রা ?

বীর : য়াওদে, হিদাক হৈনদবা অনাবা লায়থুং কনশিল্লকপদা নমতুনা হিদাক চাবগী বাফমগুম্বনি। মী অতোপ্পগী নত্তে· নচা ইবুঙোগীনি। পরীক্ষা থাব য়াদবসি য়াননবা মখোয় কলেজগী প্রিন্সিপাল অমুক্তা উনবীয়ু।

সনা : এঃ নঙসু উনবা য়াইনা, নঙগা য়াম্না খঙনদাইনে ওঝা রাজধনবো ?

বীর : খঙনৈ, অদুদা ইতৈমতোম্বীনা উনরগা থর ফগত্রা খনবগী রানি। ঐনা মরুপ মপাংনি হায়তুনা হায়ববুদি হায়রুনি, অদু ওঝা রাজধন্না রেসপেক্ট তৌবদি ইতৈমতোম্বীনা হেনগনি

সনা : নঙনা উনরবসু য়াই হায়বগী বানি, ঐবুদি উনবীগেনে। (শ্যাম থোরকই) শ্যাম নঙগী পরীক্ষা থাবা য়াদবদু ওঝা রাজধন্দা করি হায়য় হায়রিবা !

বীর : হায়য়ু হায়য়ু, ইমাতোম্না হায়বীরগনি নঙগী বাফমদু !

শ্যাম : চহী ৩ পরিক্ষা থাবা য়াদবদু য়াহনবীরো হায়বা !

সনা : অদুতরা ?

শ্যাম : মানি অদুতনি।

সনা : ঐ হংচিং উনবা ওস্থা য়েংগে, অদুগা পাউ হন্নকে।

শ্যাম : য়াম্না ফরে ইমাতোন, অদু হৌজিক বাবা থিরৱোইদ্রা ?

সনা : থিরৱোই !

শ্যাম ঐদি থিদবা য়াদে, তায়াইমা ঐগা বাবা থিবা চৎসি !

য়াইমা : থিরকম্ম হায়নে ইবুংঙো !

শ্যাম : অদুনা হায়রম্বগী ৱানিদনা ! কনাদব লৈরমগদগে ? প্রোফেসর কুমারখোয়দা লৈরমলোইদ্রনে ?

য়াইমা : থিরকন্ন হায়বদুদা ঐস্নু হৃংহোদে, খঙদেনে ইবুংঙো !

শ্যাম : তাযাইমা, খঙদবা য়ারোই, খঙনবা থিগদবনি। ঐ অরুবা থবক লৈ উনদবা য়াদে।

সনা : করম্ব অরুবা থবক্কো ?

শ্যাম : কার লৌদবা য়াদে। ঐ তোম্নেন পার্টি অমা চত্তবা য়াদবনি।

সনা : ফরে, অদুদি থোক্লসি।

বীর : ইতৈমতোম্বী করিমত্তা চাররোইদ্রা ?

সনা : করি চাক্লনি, করি অমত্তা চানীংদ্রে, গুক্রে। (হৌগৎলি, মযাম চৎলি)

মমা : (ইম্নংদগী) লুহিগীদি চাক চাবা মতমদা হুন্নকপনি, ওসিদি মহারানি অতোম্বীগীদা লেংপ্রবোইরে ওম্মোক্লা পামজপ্রবা হায়বদু ওইরে। (মপান্দ অতাবা মখে চপ চপ লেপ্পি, সনাতোম্বী লেপ্পি, চুরুট মৈথু কামথোকই, বীর জ্ঞান তাদে) এ: মমাতোন শোমদা লেংঙকপোইয়ে, করি অরুবা থবক লৈবীবগে ? মখোয় বাবানা করি পাও হায়রকপগে ?

সনা : মখোয় বাবা সোমদা লৈজ্ঞা হায়দুনা থিরকপনি ইচে, ঐখোয়দদি লৈরেহোদে ! মখোয় বাবানা নোংক্লাদোক ঐগীদা চাকলেনকা চাবসি ইচেনা য়াম্না ৱারেীরিম্মোইরে।

মমা : ইরেন্মা লুংদাংদ মোমদা চাদে হায়বদি মহোম্পানা খঙই।

চাকলেন সোমদা হাপলগা হেক হেক লেংকজুবা অংকগা চাক যাম্না লেপ্পী। ইবন্দা ইচ'ঙ ইম'ওকা ইন'ক-খুজবনা চাক অবেনকা হান্দাকপসি চাক থাংবা ক'ন'সদা য়াম্না পাম্লৈরে। ইনাওগীদা চাকলেন চ'নবা 'নবীরবদি মতুং মন'ওদি সে'মদা হ'ম্না চাক হায়দা৫পীরকই।

সনা : ঐদি চাকলেন হাপ্পাং অমুক্তসু হায়জদে, কৌফাউ কৌজদে, মখোয় বাবানা হেক্তা মরাকই, চাক লেপ্পী বাফমসিদি মখোয় বাবাগী ভাঙনবীয়। ঐদি মুংদাংসু সোমদা চাবিরো হায়জবনি।

মমা : মখোয় বাবাগা ভাঙনবগী দরকার লৈতে। থৌবু থৌব হেক্তা ভাঙনবনা কৈদা, ঐদি য়ারবদি সোমদা হনবু হনবিরকসু হায়জবনি, বাই য়াম্না চিনখ্রে। লাং থাক্তনা থাক্লবদি ফাননবা থাকউ ইনাওসিদি।

সনা : ঐদি মখোয় বাবাবু ফানীংবগী বা শুক্লে লৈজদে, তত্তনা হায়জরিবনি, অঙাংসু পাখঙ ফায়ক্লে, ইচেসু য়াম্ন রারে, য়ুমদা শিনি-ছুনি তানহুনা লৈবীয়। অদুবু করিগীনো খঙদে, য়ুমসি শুকলৈ লৈনীংদে হায়নে, অদুদাদি ঐসু করি হায়-দোনো ভাব মেন অমত্তা তাদ্রে।

মমা : ইবেম্মা, ইচেনা হায়জদোবা হায়বরু সোমদা শুমলাক লাকহনবিরসু। মাগী মশক অসি ওহোক্না য়েংজনীংখিদ্রে। মাগা হেক লোনদিমবা মী মথৈ অসি ওহোক্না থাজরে ইচে।

সনা : হোয়মে! মীখোয়না নীংবা থুংলক্তবদি অউ-অউবা অতা অতাবা মথৈ শাওনীংবা পোকই। বীর! নখোয় তায়োসি মখোওদি চাক্তিজরেদা (বীর ইভাও ভাওই) ঐদি ওখোক্না অবকিজদা।

মমা : মমাতোন ইবেম্মা, ইচেদি খঙদে, মমায় পান্দবা মীশিংসে সজ ইত্তৌ তৌনীংদে, য়ুমদকা চঙহন্নীংদে।

সনা : খঙদে, মখোয় বাবানা তৌদৌসি, ঐস্থ থবক চিনবনা সোমদকা ঐনা চৎথোক্লকপসি দরকারগী অচুক লাকপা হায়বচুনি, ইয়ুমনে তৌরিহনা অনৌবা আমরিকাগী য়ুমশা হেক শাজিন্নুহনা কনবগা নানবগা লোইবা লৈতে, চানা থক্লবা অচারমুংচার থরা শেমদোক্লাও হেক শংদে, অচুগী মথক্তা মখোয় বাবানা ঙা থোংলবমক্তা অতাউবা অমা য়াওদ্রিমখে য়াদে, ওস্থোক্লা ঐঙোন্দা ওৎগ্রে।

মমা : মীগী হৌফম চাফম হায়বসি ওস্থোক্লা লুপ্রেদা। ঙরাং নহান্স হৌরকপা জাংশিংসিনা হৌনা লোনচৎ খঙদবনা। অতৈদি লায়রি, মমাতোনবু লাইরিকস্থ কনা মহৈ, অচুবু মচা-মবা লৈবা মুপাদা ওঙনিদো হায়না ওঙলগা অতোনবী ওইনি হায়হনা ওইরিবসিবু ইচেদি তনবিগ্রেদা, থবকীদি ইচেস্থ ঙমগ্রেদা তৌবা!

সনা : য়াম্না তৌবা ঙমলমগনি। ঐ বাফম অসিদা বা কয়া ঙাওজনীংদে। বাদবু, মখোয় বাবাসি ঐগীস্থ মুপানি, মসিদা ইচেনা তৌবা ঙম্বা করি তৌবিগে হায়বীরিবা।

মমা : থবকসি চাওখৎপগী থাকস্থ মতুং ইন্নি। চাওখৎতবা মফমদা ইচেস্থ মতম মাঙহননীংদে।

সনা : চাওখৎপা হায়বসি মওং তোঙান তোঙানলি, হোই, কনানা মপা মপু থায়না নিংথৌগী অঙম অথৌ ওইহৌদবদগী লায়রবগা য়াই, হৌজিক্তি শেন লৈরগা, ইজ্জৎ লৈরগা, মী লৈরগা লোইরে। মসিদি ঐগীদি লৈগ্রেদা!

মমা : ইনাওগী লৈরিবা ওইরিবা ফীভম অচু ইচেখোয়দদি মিৎ থাকপগা থুপ্লোৎ নত্তে। ঐনা হায়রিবসি হৌন লোনচৎ

খঙদবা মীনকাদি খঙব ঙমলম্লোই। ইচেখোয়ন করি ভৌবা ঙাক্লসাপাবা মতাম্লা [illegible]খিনি। অচুবু হৌজিকপু মখোয় বাবা থিরকটবসিবু করি অক্নবা থবকীনো ?

সনা : (পোঙনা) ঐতোন্দগী নুপা লৌশিং অম পুথিবা, ঐগী থবক অমা শীজিন্নগদবা লৈবগী থৌগে লাকপানি। ঘুমদা লৈমজ্রবনিনা থেংনবা মতমদা হায়বা তারে। ঙসিদি ঐ য়োক্লম্লগে। বীরা ঐ চৎলে! (চৎখি, ময়াম কিতক চাখি)

মমা : শকসি ওম্বোম্লা সুংশিথিন্ম্রেদা! (চঙখি, বীরনা মতৈমদা অমুক য়েং, মতৈঅতোপ্পী চৎখিবা মায়কৈদা অমুক য়েং, মোমোন নোক্নুনা লৈহৌই)।

ঙহাক লেপ্পা

অনীশুবা শরুক

(হাম্নগী ড্রোয়িং রুম, বীরসিং চৌকিদা ফমলগা তুমিন্না চুরুট থকই, ইমুংদগী শ্যামকুমারগী মমা থোকলকই, শাউনা)

মমা : বীর, কৌরুচো নখোয় নম্নাম্নত্রু। ঐনা খঙলবনি, সি থোক্কনি হায়বা। দশা ফত্তে লাই খুরুমগনি চংথোকম্নু হায়রগা হৌজিকপু লাই খুরুম্নগী মহুত্তা মুপী পুত্নুনা চেনখ্রে, পুলিশনা ফাদনবা কোইরোং লোত্তুনা লৈরে হায়রে। মী মমাঙদা শিবনা ফম্নবনি। মপানি তৌরিবসিনা নোংমত্তা করি তৌরগে হংদবা, মাগী মুপী অতোম্বাগী মুঙাইনবা শীল্লিঙৈদা মচানা শোয়রবনি সোমদা। শোয়রবনি জেলদা চঙবা।
(জ্ঞান তাদনা ফমই ;

বীর : ইতৈমা, ম্নাইমা থাগ্রে, পাড য়োরশনি। পাখংখিন্নু, পাখংতনা ভাব তানা খন্নসি। (চুরুট চিংই)

মমা : নঙবু ঙমবু ঙমইনে। ঐনা মৈথক্লা ফন্নে, অম্নগা নঙনা করিম্নু তৌদবগুম ঈংথনা ফমজি। ঐদি শারনা ফম্না ঙমদ্রবনি।

বীর : ঈংনা ফমগদবনি ইতৈমা, থোকল্ল থোকলবা মন্নাইনা লাকচগনি। করি বানীঙাই লৈবগে?

মমা : মচা মুপাম্নু জেলদা চঙলগা মুঙাইগদ্রা? মুপী মশানা ম্নাবা চেল্লগবু কদায়দা লৈ হায়বা খঙদবা ম্নাব্রা? মশানা ম্নাদবদগী থিবা খঙদবা নত্রা? মুপী মমুমগী মীচঙ ফগ্রে

ইবুংঙো। 'দি, এস, পি. রামগোপাল য়াওনা থিরি। নচা মুপাছু জেলদা চঙবা শোয়ত্রবনি।

বীর: জেলদা চঙলগা চঙখ্রেদনা। করমদি তৌনি। মিয়াং শুরগা মরাইনা থোকচররকনি। মশানা তৌরবা থবকী ফল চাব তাইদনা, মানা মুপী চিংলমদাইদা মঙ ঐ তাররমবদি নত্তে। মহাক্না করি তৌরিবনো থঙবদি লায়রদনা কদায়দা লৈবগে থঙগ্রিবসিনি। থানাগা হান্না থেঙনগদৌরিবরা ঐখোয়না হান্না থেঙনগদৌরিবরা কনান থঙনি। থানান হান্না থেংনরগা লোকঅপ্তা, ঐখোয়না হান্ন থেংনরগা ইমুংদা লোংপা তাইদনা। ঐ বাথল ঙাহাক্তা থনখিগে।

মমা: করি হেন্দোকপা বাথল থম্লিঙাই লৈবগে? নচামুপা জেল চঙবা য়াদে, থানানা থেংনপ্রিভৈদা ঐখোয়না থেংননবা হান্না থিগদবনি।

বীর: ঐখোয়না থিবা হায়বসি ফোংনা থিবা য়াদে ইতৈমা। থানানসু ফাবদোবগী থিরিবনিনা ঐখোয়না চংপা মফম খুদিংমক সি আই দিনা ইন্নগদৌরিবনি। অতুনা তুমিন্ন হোৎনবা তাই। নচা মুপাছু তাকু তরাংগী থবক্তি হৈবনি, মান থোকপ অমা তৌরকপসু য়াই, কনান থঙনি।

মমা: নঙ দি, এস, পি রামগোপালছু থঙনবা নত্রা? অমুক্তা উনরগা কৈ কৈনো থর তান্নবসু ফত্রা?

বীর: ঙাইখো, ইতৈমা, অঙাংশিংগী মওং অসি মওং অমা ওই-রমান্নে। ঐ ঙরাং অথেঙবদা ত্রামা তৌব হল্লকপদা পাউ তাবদগী মখোয় মরুপ থরদা হংলবনি। মাগীসি তাইঙো রামগোপালগী মচামুপাগী কছিকাস্তগা থরা মুঙাইনদবা মওংসু লৈরমান্নে। অতুনা তাইবুংঙো রামগোপালছু মতাং অসিদা রা তান্নবা পঙমুং মুঙাইগনি থাজদে।

মমা : ঐন্না থাজদে থাজনা হায়রুনি, তোঙ্গাইদা অমদা অমুক অমগা অমুক হেঙো হেঙো ত্তৌরমগনি। নখোয় হৌজিক কালগী অঙাংশিংসে খুরখা থাজদে হায়রিসিনি।

বীর : অহ্ ইতৈমা নশানা য়ারমলবদি কমদোবা ?

মমা : য়ারমলগা মখোয় মখোয়না থোকপা হায়রুনি. ঐনা দাই লৈতে, ইমোকা ওইজনীংদে।

বীর : য়ারমলবদি জেলাদ শোয়রেকো। নঙনস্থ য়ানীংদবা মপী, মশানস্থ য়াদবা, মসিদা ঐখোয়না নোমজবগী করি কায়রিবগে ? মখোয়না থোকপা লাক্লসন্থ। (মমা খুমদে, হমাই হমজনা কমজনা লৈ) থানান ফারে কাপ্পসন্থ, মখোয়না লোৎজনা লৈরে লৈথসন্থ, অদুগা মরাইনা থোকচরকনি।

মমা : অহ্ মীগী মচাসুপীতুমক য়াওন্নিবনিনা শা-লান থোক্তবদি য়াররোই, ঐখোয়না তুমিন্ন লৈথোকপদি য়াম্ন চাওখৎতবা ভানি ইবুংঙো।

বীর : চাওখৎপা চাওখৎতবা কনান লেপকদোরিবনো ? ঐদি থানাদকা হায়রুবা ঙমলোই ইতৈমা। ভামো অদুগা মখোয় সাহেব মশেল থেংনরসন্থ ঐদি য়ুম শঙবা ওইরগে।

মমা : নঙগী সাহেবতুনিনে হৌজিক ফাওবা লাক্লবসে, কদায়দবু থিরুদোরিবনো, ঙসি নোংমাইজিংনি, তুরী শারবদগী হোংৎলমলোই, কনাদ শারখি কনান থঙনি। মান মান থোকপা লৈনবসিদা কায়রিবসিদি থনপোৎ-বতেনে, অদোমগী মশাগী ওইজবতা য়েংবা মী হায়বদু ওইরে। ঐ ওইবগী য়ুম অসি লিংলিবনি, ঐ নত্রবদি নহাক কাংলোং চাইরগদবনি। ইপা ইমানা থাজরমই হায়রুনা থুডাইজবা করা থাওজনা ভস কুস হায়রনা লৈরিবনি। অদোমগী থাগৎপা ঐগী লাইবকসি। (কপ্পী)

বীর : [illegible] [illegible]বিলা, মখোয় [illegible] অরীবী। মমা

[illegible] হেক্তা [illegible]। মাইক্ন ঐনা [illegible] [illegible]বনি।

মমা : [illegible], বীর নথু [illegible] [illegible]চরাইত্রা? নচা [illegible] নং

[illegible] [illegible]। [illegible]মানা থিরোরিসিবো?

বীর : [illegible]তেমা [illegible] [illegible] করম্ব হায়বর্গা? চপ্রাসি

ময়াম থারগা মরাইনা [illegible]মি।

মমা : [illegible] চপ্রাসিনো [illegible], [illegible]সি মোংমাইজিংনি, অ

অফিসকী থবক্তু নত্তে, সিদি মরাই বাকয়নি—

বীর : অফিসকী থবকশিদি মরাইগী থবক হেন কয় মোমনবনি

ইতেবা, সাহেবকা চপ্রাসিশিংগী অশোংবা থবক তৌফম

লৌরবনি। [illegible]গস্থ ভাইখো, তামো যৌরকখিসস্থ।

মমা : ঐ থাজদে বীরা, [illegible] ময়াম্বসি কোকশাক ঐবা মী নত্তে,

[illegible]নোমে মাগী থবক্তা তেংবাংদোরিবসিবো?

বীর : এ: ইতেম্বা রায় লৈবা জাৎনি, মরোল-মরোল থোকলক-

খিনি, [illegible] তৌরিবনি, মুপা মুপী সেং সেং থোরক-

খিনি। [illegible] থোকপ থোদোক [illegible] তাক্সদম্বা তৌরি-

বনি। ঐখোয় অমোখোই শজ বাংপোং নত্তে

মমা : মুবীগী শজ, চাক চাম্বগী শজ, ঈরাং তৌবগী শঙ্গ বাক্তে

হায়বদি য়াই, অবা-অনাগী শজদি নখোয় নয়াম্বগী লৈতে।

সে ইনাসি হেক লেপ্লুসে মাগীনি হায়দুনা মী অমত্তং

হেক লাকলবদি।

বীর : অতুপা ইতেমাতোম্বী থিহল্লগা লোইরেদনা, মরাইনা য়াথং

ভাউথজখিনি, ঐদি কৈস্থ বাক্লেদা (ফমই)।

মমা : ইমাইপেম্ম, ঐগী ইচাগী অরাবা তারবদা মাঙোন্দ হায়জ-

গদবা, তোক্তা তোকপীরো ঐ থিজবগে। ঐগী ইচাগী-

দমক মাঙোন্দ করি হায়ফম থোকই। তোকও ইবুংঙো,

নওঙ্গু য়ায় ফত্তৰ অাংবি নচানি হায়ত্নুনা থম্বকা অাংবি মত্ত্নু। কমবন্থু ফত্ত্রবন্থু হোজিক্পু নচানি লংথোকপা খ্বাবা ? কে লৈবগে থনবদি য়াইদনা। ইথৌ থৌওইদনা, অমত্নুনা থানান ফাগদবগী কোয়ভাম তাম্নবা কানসিদা নওনা ঐদি মীওোন্দা হায়জদবা অাংনি হায়ত্নুনা কমত্নুনা লৈয়ে, ঐদা চংলগে, ঐ থিরুরগে।

বীর : ইতৈমা ভাইখো, শাউখিনুনে বা থন্নখিসি, ঐনা ইচা নত্তে হায়বগী বাকম করিস্ত য়াওদে। ইচানা অয়াব তৌরগা মীওোন্দ থবক নোমজবত্নু মুভাইতে হায়বগী বানি।

মমা : হোয় হোয় মুভাইরোই, নওনি খ্বাইদগী মশাগী ওইজবা তান্নিবা, মশাতগী থনবদা নশাত কোম্নবা য়েংবদা নও নয়ুমফাও পান্দনা লৈরিবত্নুনি, অত্নুনা মীওোন্দ করি বাদি হায়নীংগনি। (বীর ইওক ওকই) ঐদি কোম্না হিংলিদো হায়ত্নুনা ঈশে থর ওং চাক থর চা লৈরিবত্নুনি। নওগী থবক হায়বত্নু লাইরিক থর য়োম্নগা নমায় নমিং য়েক-শিন্নগা লীলাদা মী লাই শারিবা অত্নু মওায়। ঐস্থু ফনা হোংনৈনা ইনাওসে মপুকনীং মুংশিখিবা য়াই হায়ত্নুনা, ওসিফাও করি ননীং থুংহন্দবা লৈ, ঐওোন্দ নওগী করি পেন্দবা লৈ ? (কপ্পা)

বীর : ইতৈমা, বাত্নু ফৈনা চংখিগদোরে, পুকনীংগী অবা অনাগী ঈহৌনা থুমহংপা বাথলগী থোক্ষোক নক্তনা, মমুং তানা বাসি মক্কদা নৈনখিসি, নোরোক তাগে ঐনা লৈথোকে হায়বগী বা লৈতে, বিত্তা সাক্ষী।

মমা : করি বিত্তানো নওোন্দা সাক্ষী ওইদৌরিবা ? হায়জত্নু, নওনা হায়রগা ঐস্থু মুগী ওইবনিনা থাজে, লীলা হৈবা নওনা ঐবু শাজিনবা শেম শাত্নুনা হায়রগা ঐনা থনদৌবসি করিনো ?

বীর : ইহং, অমরোয়না অমুক কেরেং ইতেমা ঐবু খাজবি-
তুরবা ? কেরোগে কাপিনী মচু নত্তে, মচু ডরা মরুকা
নৈনখিনি হায়রি।

মমা : ঐনা কাগি তৌরিবরানে শিবা ? নতানে কাপ্প তৌরবা,
করিগীনো নত্তনা ইথৌ থৌশাজবসিবু, হৌজকপু নত্ত ঐ
মরৈ য়েংনজ্ঞনা লৈবা মতমদা ?

বীর : কদায় কাগিনোনে ঐনা তৌরিববো ? বা নৈনখিসি হায়বনি,
পোমিং থরদি য়েংসি কৈদোগে ?

মমা : কুরি পোমিংনো য়েংগদৌরিবসিবো ? যুমদা কমলগা করি
তৌরি কদায়দা লৈ হায়বস্থ থঙদনা নত্তনা পোমিং উদৌ-
রিসি করিনো ? নত্তে বীরা, নঙবু মাথাম্ব থরা থরা
ভাওরব্রা ?

বীর : (ভমা) হোয়, মাথাগীদি করি ভাওদনি, য়ারা ভাওরবা
জাংনি, ইতৈম, হাবী জাবী ময়াম অসি করম্বা থৌওংমা
কোকহনগদগে হায়বসি ঐগী বাখলনি। কোরনবা লংজিন
বংজিভৈদা ইয়ুমক্তদা ইচানা হাবীজাবীগী থৌরম অচৌবা
অমা অমুক থাংজিলকপুসিদা ঐগী মাথানা ভাওরোই-
দৌবসি কদায়দনো ?

মমা : ভাওই হায়জনা তৌকম থঙজনা লৈবদি চুমদে, করিনো
অমা তৌগদবানি। ঐনা হায়গদৌবা হায়ববু নচা চুপা
থিয় শিদনি।

বীর : হানা মথোয় পার্টিচু চত্রিভৈদা করি করি হায়রম্বনো
ইতেমদা ?

মমা : সুংখিলদি ঐ ভাগ্রভৈদা মপাল উপুদনি লুপা ৫০০ গা,
হবাগাড়ীগা লৌরগা চেনগ্রবনি, মাগী লমাগী শনি পুজন-
গদৌবনি চংথোকপা মাদে হায়রগা লাই খুদম্বদি লায়রজনা

তৌগ্রিবসিনিদনসে। অয়ুক্তি বা থগা ভানেখি।

বীর : কয়ি কয়ি হায়নখি, মানা কয়ি হায়রম্মি।

মমা : ঐনা মাগী মুপীচু পামদে হায়, মানা মানা পাম্বা মুপী লৌগনি হায়রম্মই, ওয়াংমক চেনগসি হায়বদি হায়রমদে, পাটি য়াওদবা য়াদে লাই থুরুম্বা য়াওরোই শিদনি।

বীর : মহোয় মরূপ মপাং অতৈদি কনা কনা লাকঅমই ?

মমা : অয়ুক্তা রুহিকান্ত লাকলম্বহ ভায়দনা, অতৈদি ঐসু খঙহৌদে।

বীর : রুহিকান্তদা হংবনদি খঙলয়োই, থানাদা থৌবু ওইহরিবসি মা ওইয়মগনি।

মমা : নঙমা হূম্রকপদা মা লৈরম্মি হায়বদাইনে ? নঙগা কয়ি-মত্তা য়ায়ী শাহোউবরা ?

বীর : মহোয় মুপী অঙাংগী ব'দি কদায়দগী শারুগদগে ! অকুমা ময়োল কয়ি লৌবগে হায়বত্নদি ঐদি কদায়দগী খঙগদগে ? অখেঙবদা মখোয় মমাম্বা অমা অনী উনবদা হায়রম্বা হায়বথু মুপীমচাহু রুহিকান্তনহ পামই হায়য়ে। অচুনা নচা মুগাগা গপ, তৌমবদা নচা মুপানা মুপীচু লাকপ-নিদনা।

মমা : ওস্নেকমস্থ চোপথোক মুপী অমগী লাকপু অসুক য়াম্না চোক্তশি, ইমায়কাগি উংচবীংগে, মখোয় মপাপা চপ হেক মান্নেদা মপাগী মচানি।

(শ্যামকুমারগী মপা শয়ংথাকু চৎলকই; হাতক, শাট ডিংথি, অনোক উম্নী, চঙলকলগা চৌকিদা ফমই; পুনাল লোথো-কলগা, মাক্ষি থৈকোকই)

শয়ংথানুঃ (ওলম)। কৈথৌবগে ক

মমাকঃ মচম মুপাগী চপ মাক্নে হায়বা।। লোপকো হায়নীভাই

মৈত্রেণ

(বীরসিংহ ঈমুংদা চঙখি)

মুশিলবু অসুক য়াম্না তোমসিঙু ইমাইপেম্না অচুক্না থেং-নজরক্তি।

শরৎ : (ভপ্না) ঈশিং গ্লাস অমা পীরকউ, ঈশিং থর থকে।
(মমা শাউনা চঙখি, শরৎবাবু চুরুট থকই; মমা ঈশিং পীরে)
(ঈশিং থকপা লোইরগা) য়াইফগী পাউসি অচুম্বরা ?

মমা : অচুম্বনি, থাবাদা ফাগনি হায়দুনা তামরি হায়রে।

শরৎ : মথোয় অঙাংশিংসি মমানবা অমম্বা পাউ য়ৌরক্তা ?

মমা : য়ৌরক্তে।

শরৎ : নঙোন্দা করি হায়রমই ?

মমা : কৈমু হায়রমদে।

শরৎ : নঙবু মাগী দশাগী লাই থুরুমগনি হায়দুনা য়াম্না লাঙব-দাইদুনা কৈদৌরবা ?

মমা : লাই থুরুমগনি হায়রগা মুপী চেনখ্রিবসিনিদনা।

শরৎ : অদু য়াব্রা ? অসুক লুবা লাই থুরুম্বা তোক্লগা মুপী চেনবা য়াব্রা ? নঙ থঙলমগনি, নঙ য়াওরমগনি, শেংনা হায়য়ু, নঙগা করি বা অঙনখি ?

মমা : মুঙাইবীরেনদা ঐঙোন্দা ওনথৎপীরকখিবসিবো ? অদোম্না পোকপা মচানবু মমানা হায়বা অপনা ? ঐনা হায়বা মারবদি অসি থোকখ্রা ?

শরৎ : করি য়াদনি, নঙনা বারকলনা তৌখিবা নত্রা ? বারকলগবু অমি থোকপা তৌবত্রা ?

মমা : এং ঐনা বারকপা। বারকই ঐহে ওকমখিদা ঙসি ফাওবা ইচা অমি ঐনা কোননবগী থাওখিবনি মপানি মতুং ইন্নবদি মহোয়না মুপী থাকা কুনখ্রা ওয়ননখিদনি। মরাদি লায়রি, মপা

ঙাওমনখ্রে। ঙসি ফাওবদা ইচা অসি কদায়দা শোয়-গদগে য়েংগনি হায়বদি খনদ্রে, জুবার শরা শান্না, মুপী নহা লৌরবনি! হায়দুনা থাউ মনম মুংশিবা চাইরিঙৈদা নচা শোয়রিবনি। হৌজিকস্থ ইচাবু কদায়দনো থিবদি লায়রবনা ঐতোন্দা ভাইনবিরিনে।

শরৎ : হৈ, নঙ রা কা হেনগনু চৈ চানিকো! ঐনা পাখঙদুবু মিংকুপ খুদিং য়েংবা ঙমব্রা? নঙনি মাগা লোয়নহনতা লৈরিবা। নঙনা শেন্নকম থোকপনি, নঙ মতিক চাদহনা থোকলিবনি।

মমা : ঐদি মতিক চামনখ্রে হায়রিবসিনি, মতিক চামনবদগী ইচানা মপুক্কীং চাউনা লৈবা ঙমলিবনি, নত্রবদি মপানগা মনাক্তগা লৈতবদা নহান্না অতোন অতাংগুম লৈরগদবনি।

শরৎ : অদুনা হায়রিবসিনে, নঙনা মমা ওইবনা নঙ্গ খঙলমগনি হায়রিবসিনি! নঙ লৈ, নঙনা শেন্নৈ ইচাগী করিন্থ বাক্তে। হায়য়ু ঐনা নঙবু চানবা করি বাৎহল্লি নঙবু তালহনব্রা? চান্না হেলহনব্রা? পৈদুনা থম্মিনা বাৎতনবা। নঙগী নথৌ ইমুং পুবা, ইচা শেন্নবা। অসিদগী করি হেনবা লৈ?

মমা : ঐবু অদোমগী য়ুম শেন্নবা মীনায়য়নে, অদোম্না হায়রিবা অসিবো? ঐদি য়ুবুরেম্বীনে, মবেন্মা খঙলেদনা, ইচাগী অবাং অপা কৈন্থ লৈতে। বাৎতনা লৈ, ইপামদগী কোকথোঙ অমা পুরকই খঙব্রা? অদোম্না করি হেন্না ভৌরদনা, অদোমতন্না ইনাকখুনবসিবু, নত্তে অদোমবু কৈদৌঙৈ লাই-রিক হৈথিবনো, ঐনা লাকপদা করি নকি শেৎলম্বনো, মহৈ তম্বগী খরচ কনানা পুবগে? চাউথোকলাকখোক্ননা ভৌবন্থ শারিয়ে। কল্লক্তেয়ে, কল্লক্তেয়ে, অদোম্না মুপী অমা লৌবদু কল্লক্তেয়ে, হন্না ফাও য়েংথিদ্রিবসিনে। অদোমনা খল্লিববু চাদনা মন্নাইনা পঙহিং হিংজনি শিন্না! ঐনা লৈরিবসে

ইচাগী য়েংহনা লৈরিবনি অদোমগী খল্লুরবদি নাচুংবীদেয়ে।

শরৎ : উম! মসি চুবা কায়নিসে। নরৈহ খুদৈ থারগা চিংউবা নঙ, মাল্লিহে নখোয় নপামগী মীশিংদো শো-শো হেক লাউরদনা, অহনা তন্দুনা ঐনা শুকহন হল্লকত্রিবসিনি।

মমা : হল্লকে হল্লকউ হল্লকওই তোকউ, হৌজিক নচানা মীগী মচা-মুপী অমা পুহনা চৎক্রে, থানাও করিও লোইরে, সিদা তৌদোসি করিনো? করিনো তৌ, নচা থৌওইদবা, নচা বারকুবা, হৌজিক তৌফম থোকপা তৌ।

শরৎ : নঙনা ঐঙোন্দা য়াথং পীগদৌরিব্রা? নঙগী খোন্দা লাক্তাহ খল্লুরবদি তনবু তল্লিনে, চাওখৎতবা ইমুংদগী হৌরকই হায়বা তাকই। ননম তৎত্রিবহ নল্লাইবক ফৈ। কৈদনো নঙনা ফল্লিবহুবু, ঐনা মুপী অমা লৌবসিদা নঙ নথৌ করি লৈ? করিগীনো নঙনা অহুক য়াম্না কল্লকইখবো? নঙ হমুরবা কান্দা নপাম য়োগেরা? চৎখোনে, নরনকা লোইনা পুখো, নঙ মঙায়রে হায় ইনাকখুবা—নখোয় অহম্না থায়না কোমুং খল্লস্বগী খরা লৈজরহনি, অকোন অহানগী বাতনি, ঐস্সু তাল্লিবসিদি, হায়য় তানদ্রা? ঐনা বারিঙৈদা নঙনা ইতেং পাংই, ঐ মুঙাই, হৌজিক ঐনা নঙোন্দা তালহনব্রা? নঙস্সু অহুম পঙলৈ মরৈয়ু—অমহুস্সু মানা থোকপা পঙলৈ লৈজনি, নঙনা মৈ থাল্লিবসি করিগীনো? নচা শেম্নগেদি হায়রব্রহনা নঙনা কলক্কুনা ঈশৌ লাংলিবা করিগীনো? ননাউ মুপীহ কল্লক্কুনা ঈশৌ লাংলিঙৈদা ইচা শোয়বনি, দগু ফংগদৌবদি নঙনি।

মমা : হরে হরে, য়ুম অনৌবা পাল্লিঙৈদা ইচা শোয় হায়রবদি হায়নীংপ্রহনা ঐঙোন্দা তাইনরিয়ে, নোকপু নোকচনীংইদা। ঐঙোন্দা শীংনা লাকনবকাদি তৌম্নু, ওফিসতা থবক

তৌরিবা অহু লৌখোকপা ওস্বা মীনি। ঐনা কৈকাম্নো তৌজসমু ইচাসু পাখণ্ড ফারকএ হায়হনা তৌবনি, কোর্টতা দরখাস্ত থোক থারবদি খণ্ডগদৌবনি। সরকারগী আইন্না সরকারগী থবক তৌবা মীনা মুপী অনী লোনবা য়াদে হায়বসি ওঁফিসার নশানা খণ্ডলিবা নত্রা? (শরৎ খুমদে) ঐনা কৈকাম্নো অহুলথংদা হায়হুনা তৌবীরগা, অহুল মতৌ অঙাংনা তম্বা হৌনবনে, নচাসু কনানবু ফরুগবনো!

শরৎ : আইন্দি ফরে হায়, তৌরকউনে, থাউনে দরখাস্ত। নঙনা খনববু ঐসি অপঙনি শিন্না? য়াদে খঙনা থিরিবনি, য়াদ্রবসু য়াহুনা লৈরির্বাসিনি। নঙোন্দগী হেন্না তৌবা ওস্বা মীনি।

মমা : ঙমগনি ঙমগনি, ফজবা কারবারদা নখোয়না তৌবা ঙমদবা, করি লৈ। অফবা থবক্তনি, নখোয়না ঙমদবা, অফবা, ওইদৌবা থর্বক্তি অমত্তা খঙলোই, হৈরোই, নশাগী মুঙাইনবা জাৎতি নখোয়মুক হৈবা লৈতে।

শরৎ : কনানো নঙনা নখোয় হায়রিবদো? সিদা ফম্নিবসি ইতোমতনি।

মমা : আঃ নখোয়গী সাহেব শজ ময়ামহুখো হায়বা। অদোম নতোমত্তা মত্তেয়ে মুপীনহা লৌবগী কারবার তৌরিবসে, নখোয় পল্লেংনি।

শরৎ : ঐনা তাগে হায়হুনা শুম তাবনি, মঙগী বাসি অঙাংনা মুপী চেনবগী বাইয়াও য়াওদে। মঙনা খা ভাঙনবা পামলিবসি ঐনা সনাতোম্বী লৌবগী বাতা ওইনা তৌই। (শাউনা) অহু নঙ কৈদৌসে হায়রিবনো, মুপা অমনা মুপী অমদগী হেন্না লৌয়া অসি ঐখোয় লৈবাক অসিদা চৎনরকলিবনি। থায়না ইপা ইপুশিংনা মুপী ৭ লোম্নগী খা তাম্নিত্রা

থঙবো ? ছাঙনৌনা লিখোরা ? থোংলেন নুপী ও লোল্লমই, লোখান কয়া লোল্লমই ? নঙনা ঙাম্মা পাম্দ্রাইনে মোইরাং পর্ব্বগী বারী ? ঐখোয় অঙম্বশিং নিংথৌশিংনা নুপী কয়া কয়া লোল্লমই নঙ খঙব্রা ? ইবেম্মা মিহৌচাউবী মনিপুরসি নুপীনা নুপাদগী মশীং হেল্লিনে, অমা অনী, অহুম অহুম লোল্লব্রবদি ময়ুম পানবা ফংদবা নুপী কয়া লেমই নঙ খঙব্রা ? চংলু নঙ তৌরুচো নুপী অহনগী পার্টি অমা শেমগউ আন্দলোন তৌরুচো, ওপোজিশন পার্টি লীডরশিং উনরুচো নখোয়না পান্থা দীমান্দ কৈ কৈনো হায়রুচো ! নত্তে, নখোয়নিনে ফত্রিবা, নখোয়না য়াদনবু ঐখোয়না লৌনীংই হায়বা য়াব্রা ? নুপী লৈবা ইচা লৈবা ঐখোয়দা করিগীনো থঙনা থঙনা নুপীনা লৈনীংলিবসে ? সনাতোম্বীদা নত্তে, অতৈস্থু লৈগে হায়নে। নঙনা নুপী অহন ওইরম্বগী বাতনি। ঐনা নঙবু হাম্মা লৌরমদ্রবদি নঙস্থু অহুম য়ানিয়ে, মসিবু ঐখোয় নুপাতগী ইরাল্লা হা—হায়য়ুনে ?

মমা : ময়ুম পানবা ফংগে ফংসম্থু ফংলোই তোকসম্থু, ফংদ্রবস্থু মরাইবকীনি, নখোয়না কনা কনা লৈরিবগে থিবিরিবা করিগীনো ? নুপী অপঙবা কোয়থি হেক ।থবিরে, সনা লুপা উংলে, মিহৌহল্লে, নখোয়নি ফত্রিবসে।

শরৎ : অপঙবা নত্তেনে অশিংবা ঙাক্তনিনে। লাইরিক হৈবীনে, লাইরিক হৈবী। সনাতোম্বী লাইরিক কয়াম হৈ, রাজেন-বাবুগী অতোম্বী লাইরিক কয়াম হৈ, বীহারি বাবুগী অতোম্বী লাইরিক কয়াম হৈ, করিগীনো লাইরিক হৈবীনা অতোম্বী ওইবা য়ারিবা। বাখন থনবা ঙম্বা নুপী ঙাক্তা খঙলেদনা। নুপী লোনবদা ফবা ফত্তবা নঙনা লেপ্পা ঙম্বা নত্তে। ফৈ খঙহনা য়ারিবনি, য়াই খঙহনা ঐখোয়স্থু লোল্লিবনি, নঙ

ঐনা খাইনবিদবা নরাইবক্তম্ন কৈ। উরেদনা খাইনহুনা মপামদা লৈরিবা ময়ামসে। নঙ মখোয়গী ফীভম অহু পামব্রা ?

মমা : নখোয় মঙাররে হায় তৌবা ঙম্বা, খাইনবসিবু অদোম্না হেক হায়রগা য়াব্রা ?

শরৎ : করি য়াদনি, চংলো লোইরে, মনমস্থ তৎপা ময়ুমস্থ য়ৌবা সি ঙায়দনা। মতুগী প্রমাণদি মপামদা কপতুনা লৈরিবসিনি।

মমা : উম, হৈগ্রেদা নখোয় মঙাইরে হায়—' মুপীসি নখোয়গী শান্নপোৎনিনে। ইচান্নুপীকা পোকলমলবদি নুংদা হেক লাইরিক ইগদৌবনি।

শরৎ : ইচা থিবদি লায়রদনা নঙহুম হান্ন ফুখিতারি। মথৌদি লৈত্রবনিনা মীগী খোঙথাং কোন্নয়েং য়েংহুনা লৈরিনেসে। নঙ মতোয়নরা নঙ ? মচা বারক্কে হায়বদি লৈত্রহুনা মীগী তুকা থিহুনা লৈবীরেনে, সিনি হুনি হায়বদি তান্নবা খনদ্রে, য়োরকপগা হান্ন শাইজিন্দা হেক্তা বায়বনিনে মৈসে। থিরুচো চংলু নচাহু নঙ। নঙনি, লাই খুরুমগনি হায়রগা নচা ফাজিনবস্থ ঙমহৌদবা, ঐনা হায়রিবসিনি, নচা মুপানা মুপী চেনবসি নঙস্থ য়াওনা শীন্নমগনিয়ে।

মমা : য়াওজ লাকচদে, খঙজ লাকচদে। মাগী মুপীহু ঐ পামজদে, তৌম্নু তৌম্নু হায়রিবনি, তাদে কৈনা তোকপা পোকপা হৌনব্রা ?

শরৎ : নঙ খঙদা খঙদেকো ?

মমা : করি খঙউনি,। নচা মুপানা মুপী অসি লৌনি হায় ঐনা য়াদে। ঙরাং চেনবগী বাদি ঐহাক শুকখঙ খঙদে। পার্টি তৌরুনি হায়হুনা লাইখুরুম্পা য়াওদনা তুমিন্না চেনগ্রিবহুনি।

শরৎ : চৎলু চৎলু চা লোল্লুচো চৎলো, ঙরাংদগী করিমত্তা চাদ্রি-
বনি, চাক লাম্বদা হান্ন খোয়দৌ হেক শাউগৎহল্লি। বীরহু
লাউ হায়য়ু।

মমা : অহু থিদৌরিবরা থিরোইদৌরিবরা ?

শরৎ : থিদৌরিবনিনে, নঙদন্না নচা সুংশিবসে ? ঐগীসু ইচানিনে
ইচা অমত্তা পোকচবা— মৈচ্যাং হেক পাইবা শাৱদনা।
চৎলুনে বীরহু লাউ হায়য়ুনে।

(মমা চঙখি, শরৎ বাবু মাই-মিৎ তৈথোকই, চুরুট থকই,
বীর থোরকই)

তোম্বা ! নঙবু নচা সুপাগী বাকমসি করিমত্তা খঙদ্রা ?
কনাদা লৈরব্বা য়াই ?

বীর : ঐ খঙদে তামো ! ঐনা খঙহৌবা হায়রবু মখোয় পার্টি
অমা তৌই হায়বদনি।

শরৎ : মখোয় মরূপ মপাঙ অমত্তা থেংনদবরা ?

বীর : তাইবুংঙো রামগোপালনা পোকপা রুহিকান্তহু লাকঅমই,
ঙরাং সুমিৎয়ুংবা অহুবাইদা কৈসু থোইদোকপা মখোয় অঙাং-
শিংগী মরমদদি বারী শাহৌদে।

শরৎ : রুহিকান্তদি কদায়দা লৈরমগনি মা অমুরুং কৌরুচোদনা ?

বীর : মখোয়সি মনুংদা মখোয় মশেল সুঙাইনদবা থন্না লৈরমান্নে।
ঐখোয় অঙাংগা রুহিকান্তগা সুঙাইনদবা মান্নে, সুপীসিগী
মরমদা, অহুনা মা উনবদি খোইদোন্না কাম্নোই খল্লি।

শরৎ : কনানা হায়ন্নিবা ?

বীর : ঙরাং অথেঙবদা মখোয় অঙাং অমনীনা হায়রম্বনি।

শরৎ : ঙরাং তারবদি নঙদি থিবা কৈদৌই ?

বীর : থিবা ফংলোই খঙবা, মখোয় কনামত্তা কদায়দা লৈবগে খঙদে।

শরৎ : থানাদি কনানা থিন্নি হায় ?

বীর : তাইবুংগো রামগোপালনা।

শরৎ : যুম্‌দা লাক্লমক্রিব্রা ?

বীর : লাকলমদে।

শরৎ : মুপী ময়মমু ?

বীর : মুপী ময়মদি ঐখোয়না চৎলুগদবনি, মখোয়গীদি ঐখোয়দা লাকপগী মহুত্তা থানারোমদা চৎথ্রিবসিনি।

শরৎ : অদু কৈদৌসি হায়বা, নওনা করি খল্লিবা ?

বীর : করিমু খনদে তামো ওাইরমলিবনি।

শরৎ : ঐবু কৈদৌ হায়বা ?

বীর : থওদে, মসিগী থবকসিদি ঐনা হৈনবা ঙাৎ নত্তে।

শরৎ : নও লৈথোকলগেসিরা ? লৈথোকপা য়ারোই। হৈনগে হৈনৌ হৈনরোই তোকউ, করিগুম্বা থরা তৌগদৌবনি।

বীর : ঐনা থওদবদা ঐনা তৌদৌঙি করিনো ?

শরৎ : কৈনা থওদবা হায়সিবো ? নচা মুপামু কনায়দা লৈবগে হংবা তাই, থাবাপা বা তামবা তাই, উকিল তামকবা তাই। মীনা এক্তেই হেনজিনকলিকলি নও থওলবা নত্রা, দিফেনসিভ ত্রেতেজি তৌবা তাই, নওবু লাইরিকা য়াম্না পাবদাইনে, করিগীনো ইপও পওথরিবা!

বীর : হাবীজাবীসি তনকনী বানি, অদুমুদি ঐমু থওই।

শরৎ : করি তনকম থোকই, হাবীজাবী মরক্তা লৈরবা নওনা তম্লি হায়দুনা চেনবা য়াব্রা ? সোশিয়েল ইন্টর একসন হায়বদু নও থওলিবা নত্রা ? ময়াম অসি অমবদি নও লাইগীবা তাই, সাধু মরক্তা লৈরবা তাই, সাধু মরক্তদু অমুক্তার, হাবীজাবীগী হাবীজাবী ওাক্তা।

কামরে জোসা। অমকা য়ারোইনা নক্সি ক্লোংউ, এদবোকেট রজনী বাবু কৌরকচো - ঐনা ওহাজল লাক্তি জায়মু ওবতা

চৎলগা যেনেজর ভোম্সত্থু ঐনা অমুক্তা চংথায়কউ হায়রু, মতোজপী দাতা খরা ফবা য়াই।

বীর ঃ রুবতু তামো চৎলো। ঐ এদভোকেট উরবা চৎলগে। রুবতু ঐ চত্তবা কয়া হৈনদে।

শরৎ ঃ কপ্রাত্থু ইনস্পেক্টরদা হৌজিকা ঐ চৎকে ফারবদু বেহিকল লৈতে। নঙ খানাদস্থু চৎকদবনি। ইনস্পেক্টর রমেশবাবুস্থু ঐনা লাকপিদবা য়াদে হায়রু।

বীর ঃ থানাগী চপ্রাসি থাসি, য়াইমস্থু কনা কবানো তামোখোয় ওফিসকী চপ্রাসি থরা কৌহনবীরু।

শরৎ ঃ চপ্রাসিনা চৎপবুদি নঙনা চৎপনা কনবা হেন্নিনে। ঐগী মমিত্তা ইমপ্রেশন দরকার ওই। চৎলিবা পাসমস্থুগী য়েইট দরকার লৈবে।

বীর ঃ মথোয় ওফিসস্থু কায় কনায়নমো ঐ খঙদেদা হংমা খোং-নবা তম্লি। ঐনা অমুক্তস্থু চঙলবা ওফিসকি চপ্রাসি অস্থুম চৎহন্নি।

(মযানা ব্রেদা চা কপ অনী পুরোরকই—পী)

শরৎ ঃ নঙ অসি ঐরুকপা থিরকাও মতোং প্লাংথৌংদবনিরো। ওম্বোক্পা তনগ্রবা হায়বস্থু ওইরে।

(চা-থকই, খুদাক তুমিন্না লৈনৈ)

বীর ঃ তামো! ইতৈমাতোম্বীদা হায়রুগে! ঐখোয় তেলিফোন অমোমদা লৈরবা ইতৈমাতোমৈনা মরাইনা ফোনকবনি।

শরৎ ঃ (তাল থাক্কা তানা) রাইর। চুপিহে! ঐ কাউবু কাউরি, চৎবু। চৎবু। ইতৈমাতোমৈনা লোয়রিবা মরাক্সি তেলিফোন তৌ হায়রু।

(মমা শাউরবা চঙখি)

অনুগ্রহক মাদু খোমদা খাক্কা লাই হায়রু। এদভোকেট

ভান্নরগা থোকপা ত্তৌবা হায়বত্নি। (বীর চৎখি)
ইগা ইরুজদবনে, ছুরীদস্থ লুপা ৫০০ রোম হাইদোকখিবনে,
মাঠাকাস্থ ইভাও ভাওই, থোয়দৌনা থোয়দৌ শাষ্টগৎপনে।
(চঙখি ;
(শ্যামকুমার পরপ পরপ চঙলকই, য়েং ওই য়েংই, মপান্দা
খুং খংলগা কৌশিল্লি, উমা চঙলকই)

শ্যাম : ফমউ, চৌকিসিদা ! (উমা ফমই) করি চাগেগে, ওমলেট চাগেরা, বিসিকিট তৌসিরা, দালমুট পাম্ব্রা, রসগুলা চাসিরা ?

উমা : কৈমত্তা চানীংদে।

শ্যাম : চাদি কোফি ওইনা থক্কেরা ?

উমা : কৈমত্তা থকনীংদে ; ঐ তুমিন্না ভহাক্তা কমগে।

শ্যাম : কৈদোবগী শাউদৌব্রিবনো ? হায়য়ুনে করি চাগেগে। নঙ ভরাংস্থ দাজ তৌরিবৈদা। কৈমত্তা চাখিদে, অথেঙবদস্থ ওভলতিন অমত্তনি নঙনা থকখ্রিবা, কৈনোমা চাগদবনি অদুগা তুমগদবনি।

উমা : ঐ চাস্থ চাবোই, থকস্ত থক্লোই, ঐ ভহাক্তা তুমিন্না কমগে।

শ্যাম : কৈদৌরবগে ? নকোক ভাওরবরা ?

উমা : ভাওরে।

শ্যাম : অদু হায়য়ু। করিগীনো চারোইদৌব্রিবা ? নঙনা হায়নীংবা হায়য়ু, ঐস্থ হায়খ্রিবা অদুনি, চারগা ভাওব্রগদবনি।

উমা : নঙ কৎমন্দেরে চাওখৎমন্দে, ইউ আর স্নিয়েস্নি এ রস,ডিক,। নঙনা ঐবু চেপ্পিবা খুনচেন অসি ঐ শুকপাম পামদে। ঐগী কনফিদেন্সপু নঙনা থিত্রে তৌই। ঐগী কনশিয়েন্সপু নঙনা অন্দরমাইন তৌই। ঐ য়াম্না শাউনীংই।

শ্যাম : হেরো, মঙ শেয়ান তুরান পঙখলদা খল্লে। হান্না শাউখিদ্রে।

উমা : নং ঐবু করিস্নু রেসপেক্ট তৌদবা অাংনি। নঙগী অনম কব্বা, নান্দবা, কুত্তুক কুত্তুক লাউবা খবক খুৎতৌনা হেকতা তাকই। ঐবু খন্নবা মতম করিমত্তা পীড্রিবসি করিগনো?

শ্যাম : আই, নঙগা ঐগী লভ, অদ্রিবু ঙসি ঙরাক্তগীরা? চহী ৫গী মমাঙদগী খল্লকবা অদুবু অমুক নৌহৌনা খনবা দরকার ওইরা? হরাত ইজ দি ডিফরেন্স? নঙনা এম, এ, লোইরগা ঐগা লুহোংবা, লোইদ্রিঙৈদা হোঙলগা এম, এ, থাবা, সিদা নঙ ঐগী মরীদা করি খেন্নবা লৈবগে? মসিদা ঐনা নঙবু রেসপেক্ট তৌদবগী বাকম করি লৈ? ইউ আর মাই স্বিতহার্ট! আই রেসপেক্ট মাই স্বিতহার্ট।

উমা : অদু নঙনা ঐঙোন্দা চেন্নসিফাও হায়দনা নখোয় ইমাতোন খোয়দা চৎলগা থোঙ, লোনশিন্নগা চেন্নবনি হেক্কা হায়ব-সিবু, নঙনা ঙম্মে হায়রুনা পঙতৌ তৌবা মাল্লি, ঐবু অঙাংমচাগুম লৌবনি। চেনবসিদা ঐগী ওপিনিয়ন দরকার লৈত্রা? ঐবু রাখল খনবা ঙমদবা অঙাংলা? ঐনা হায়-রিবসিনি নঙসে পুরা রসতিক্‌নি।

শ্যাম : মরম লৈ, মতুগী মরমদস্থ ঙাঙনগনি। ঐনা নঙবু চেনবা অসিদা নঙবু অঙাংনি হায়রুনা চেনবদি নত্তে। ঐদি অঙাংদি পামদেয়ে। নঙনা য়ান্না, রখেল খল্লবদি ঐগী খুৎচেন অসি এপ্রেসিয়েট তৌগদবনি। ঐগীনি মসে—ত্রাইমফনি। জয় ওইবা!

উমা : কনাদা ওইরিবা? ঐঙোন্দা? নঙগী ত্রাইমফকীদমক ঐদি লোক্সরেনে। ঐখোয় বাকাগা ইমাগনা ঐবু হায়রমগদবসি করিনো, মরূপ মপাংনা করি খনগনি?

শ্যাম : নঙগী নথক্তা ওইবা অক নত্তে. নঙগা ঐগদি অমত্তদি, অদুনা ঐনা নঙোন্দা চেল্লদি কায়ত্ত্রিবদি।

উমা : করম হায়না অথক্তা ওইদ্রিবা ? কঙনা নঙদি, ঐনা ঐনি, অদু ঐনা থনজবা লাখন লৈ।

শ্যাম : দিয়ার ইউ আর ! এণ্ড হিয়ার আই এম ! রুহিকান্তগী চোংলক্লদা ঐনা মাবু ঐগী সেবয়না শ্রাস তৌখদি। হায়য়ু, নঙ রুহিকান্তবু মুংশিবরা ? নত্রগা নঙনা ঐঙোন্দ ফ্লুট তৌবরা ? নত্রগা মাগা নঙোন্দ ফ্লুট তৌরা ? (উমা খুনদে)

ঐদি নঙবু মুংশি, নঙবু পাম্মি, নঙ ঐবু খঙহৈদ্রবা ? অদুগা ঐগী অপাম্বা পোংশক ঐগী ওইগদবনি। ঐনা হায়রিবশিনি ঐগী মেথদ ওফ একশন অসি নঙ শোয়দনা এপ্রেসিয়েট তৌগদবনি।

উমা : নঙ য়াম্না জেলস ওইবা, মিন ওইবা মীনি। মঙদি নঙগী ইংগা ছুভমক থনবা মীনি। য়াম্না সন্দিগ্ধসিয়শ ওইবা মীনি। ঐনা রুহিকান্তগী মরমদা করি হায়রে ?

শ্যাম : নঙনা হন্নীংবা অর্থ হনবা য়াই অদুবু ঐ অসি অত্তুক যাম্না মিন ওইবা, জেলস ওইবদি নত্তে। মঙম্না ঐবু জেলস ওই হায়রিবা অদুদি লভ.কী এক্সিব্যুত মথল অমনি। মুংশিবা পোংকী ফজবা শরুক অমু তেক কায়দনা থমনীংই, ঐনা মঙু কারথিনি, খাঙখিনি হায়দুনা, জেকশিনজবা অসিবু নঙনা জেলস ওই হায়বনি। ঐনা মঙু চেল্লিবা অসিদি কল্পকপদগী নত্তে। ঐগী পুক্নীং লোনা অমদি থাজবগী শকনবা শরুক অমু নঙ নহান মথৈ ইথঙ খঙত্রমাল্লে।

উমা : নঙগী দি অরগিনেশন অমু উংপদা ঐবু ভিক্তিমাইজ তৌরিবনিনে ? হায়মুনে, নঙ ঐবু কর্রিনি হায়না খনগে ?

ঐঙী রেস্পেক্ট ক্রেম, ওবজেক্ট [illegible]বা যেহুন্ন [illegible] ভাউ-চুনা লৈরম্মানি [illegible]? মতম, [illegible] অমম্ভি থবক [illegible] রিসেপ্সেন কৈন্ড অহ্ এনেলাইজ তৌরগা তারিবা [illegible] [illegible] [illegible] থবক তৌবা হায়বসি ঐঙী প্রিন্সি-পালদি, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মীং-[illegible] থবক কৈ [illegible] [illegible] মওং অসিদি [illegible]ওবা মীগী বাথলনি, নও অসিদি পুন্না [illegible] [illegible], আর ম্যিরেক্লি এ চাইল্ড।

শ্যাম : ইউনিভর্সিটিদা [illegible] পাব্লিশিং অমগী এপ্রেন্টিস ঐঙোন এদ্মাই তৌরিব্রা? ইনভেস্টিগেশন যেসিং চুইনা-তৌবরবদিনা অক [illegible] য়াম্না [illegible], [illegible] [illegible]নিমু অফবা ওক্তা থব্রিদনা? নঙগী ইউনিভর্সিটিগী [illegible]প-শিং অহু এজেন্ট ওক্তমিসে।

উমা : ঐনা হায়রিবা অদি ইউনিভর্সিটিগী পাব্লি অমদি কম্পানিগী বা [illegible], নঙগী [illegible] সাইকোলজি, অমু ঐনা এপ্রেসিয়েট তৌবা [illegible] ওমল্লে। [illegible] ঐঙী ফিলিং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কাউন্ট তৌখ্রিবসি [illegible]নো? ঐঙোন্দা [illegible] কৌরিবা ইলিমেন্ট অসি নঙগী [illegible] [illegible] অমুক্তা [illegible] থনবা [illegible], [illegible] শ্যাম! ঐ য়ুমদা চংলগে, ঐ পুন্সি সিমগী মুঙাইরক্লোই।

শ্যাম : উমা : নঙ ঐমু খেরাজনা লৌগক্লোরে। লেট [illegible] অন্দর-স্তেন্দ ইচ্ আদর! লেট [illegible] [illegible] তু আবাক [illegible]-মেল সাইদ! নঙনা ঐগা তিন্নরিবসি [illegible] [illegible]দগী নত্রা?

([illegible] শুন্নদে)

[illegible] [illegible] অমনা অমবু কৈজেইবগী রোদয়

তৌদৌরিবনো ? নঙনা ঐঙোন্দা অমুক য়াম্না ইমপোর-টেন্ট ওই হায়বসি নঙনা ইথন খঙমাল্লে। মতুদনি ঐনা শাউরিবসে। ঐগী বাল্দ অসি নঙগী থোদ.না অঙকপা ইনফ্লুয়েন্স অমা তৌরি, মসিদি নঙনা খঙনবা ইহোৎ হোৎনঙ্গগা, ঐগী একশনমক নংনা ব্লেম তৌরিবা কন্নিগীনো ? ঐনা খল্লি, নহান ইউনিভরসিটিদা লাইব্রিক তমঙৌলগী ঐবু মহৌশাগুম খন্নে।

উমা : মহৌশাগুম খনম্লিবদি ঐ নত্তে, নঙনি।

শ্যাম : পোইন্ট পীতুনা তাকউ, মতুনা মপুংফাবা এক্সপ্লেনেশন নত্তে।

উমা : এক্সপ্লেনেশন হায়ববু নঙনা তৌরিবা থবক অসিনি। ঐবু কৈথেলদা য়োথা লাইফলরীগুম, ঐগী বাথলসু নহাক্না খন্দোকপীরেদনা ?

শ্যাম : ওস : ঐগী একশনবু নঙনা' য়ানীংদে। ঐ বা অমা হায়গে, ঐগী থবক মওং ফজবা য়াই, থীবা য়াই, অদুবু মতুনা সর্ভ তৌরিবা কোজ.দি য়াম্না নীংথিজবনি। ইবানীগী লভ.-কী ফুলফিলমেন্টনি। মসিনা করম্না ঐনা মহৌশা ওইরম্বা মওংদগী থেম্নগদৌরিবা ? নঙনা ইউনিভরসিটিদা রুহিকান্তগা লাইরিক তম্মিন্নরগা মহৌশা নঙোন্দা লৈবা ঐগী বাথল অতুগী পরশেন্টেজ খরা হুম্বহনগে হোৎনবা অসিনা হেম্না ফজবা একশন মওংলা ?

উমা : রুহিকান্ত ! রুহিকান্ত ! হুমঃ নঙ রুহিকন্তবু খনবদা ফজে ফজদগী বাথল চঙদবনি, মীওইবগী ফজবা সেন্স হায়বদু নঙোন্দা য়াওদে। কয়াদা মপুকচেল পীকখ্রবা। মসিনা ঐনা নঙবু মিন ওই, জ্যেলস ওই হায়বা অসি কদায়দা লানগদৌরিবনো ঐনা রুহিকান্তগী মরমদা করি হায়খ্রে ?

শ্যাম : হায়দে, রুহিকান্তনা হায়, ঐঙোন্দা চ্যালেনজ তৌই।

ꣳউন্না নওঙি ঐগী চিভালরিগী বেন্নরনি। ঐদি ঐগী বেন্নর পায়জবভনি। নওনা রুহিকান্তবু সুংশিরবস্থ ঐ করিমত্তা থনদে বং শক্তিল, আই লত, য়্য।

উমা : (কপ্পী) ঐবু য়ুমদা থিন্নবীরো।!

শ্যাম : (থেমজিন্দুনা) ঘোশ ! চেন্নগবু য়ুমদা চংসি হায়ব্রা ? ঐখোয় য়ুমদা লৈরগদবনি। দিশ ইজ ইয়োর হাউস!

কপকনু! নৌরিবা অঙাংতনা কপকদৌবনি ওহাক লৈরগা নখোয় ইমুংগী মী, লৈকায়গী মী, অবভ ওল, পুলিশনা বাই চাইরগদবনি। হোরেন কেস্তন ময়াম খুমননবা প্রিপ্যার তৌ। নও ফিজিকেল্লি, শাইকোলোজিকেল্লি নোরমেল ওইমা লৈগদবনি।

উমা : ঐ হোরেন ইশানা য়াদে হায়নি।

শ্যাম : নও, ঐ জেল চঙবা পামব্রা? নশানা য়াদে হায়ববদি নওনা ঐবু বিত্রে তৌরেদনা?

উমা : নওনা ঐবু বিত্রে তৌরিবসিদি ?

শ্যাম : তৌদে, সুংশিনবা চেনববু বিত্রে তৌবা কৌরবদি পৃথিবী অসি শেরান্নরগনি ঐ নওবু বিত্রে তৌদে। ঐখোয় অনী চেনবসিদি ঐখোয়গী লত.কী গ্লোরিফিকেশন্নি।

(চুপকে তৌই, বীর থোরকই)

বীর : মুপামচা! কয়াম কুইরে। মমুংদদি চওলক্তুনা প্রোয়িং রুমদা ফমলিবসিবু মপানদদি থানা-ও করি-ও মৈচ্যাং পাইরবা কানসিদা! লাউনে, লাউনে (চওথি)

শ্যাম : লাকও! ইমুং চঙলসি, কৈনো থরা চাউও! নশাদু চোকথরমি, শাউলাকহুশে! (মথুং-পারহুনা চিংথংলি, শরৎবাবুগা, মমাগা অমুক পরপ পরপ থোরকই)

শরৎ : আই 'মুপামচা'! কদায় লৈরুই, ওয়াংনা ইনফোরমেশন

পীরকপা রাজা ? নও অসিনা তৌবা অদি ভাব মেন অমত্তা ভাহন্দে। করিমো থরা চেকশিনকদু টক।

শ্যাম : ওরাং ইমাতোনখোয়দা লৈয়ে। উমা ঐখোয় পাবুং, ইমা, খুড়াতোম্নি খুরুমউ। (উমাকা মকোক খুমাই—শরৎগী খুমাই)

শরৎ : উম কোম। কোম! হৌজিক-হৌজিক ইমুংদা চৎলো! আদ হেন্সিং কনদা এরেও তৌ। চৎলু বীর! লাইনে লাইনে। (মাও থাদুনা চঙই, বীর ইমৈ)

শ্যাম : লাকও : (হায়রমলগা চঙখি, উমানা ঈকাইনা থৈদুনা চঙখি, মমা মোমোন তৌই)

মমা : (চা মুং লৌশিন্দুনা) ওহোক্রা কনথবা দশা হায়রবত্ত ওইরে। শনি খুরুমলম্নবদবু শি থোকয়লে! (চঙখি)

(শরৎ বাবুগা বীরগা অমুক থুনা থোরকই)

শরৎ : করি পীজনি-মখোয়সিদি! হা তোম্বা! চা, কপৌ কাপ্পা পীথকনি। য়েকম! আ: আ: নতৌমত্ত কৈ কৈনো থরা পীজো হায়দু। নও চৎথোকত্ত, নওনা শেমদবা য়ুমদে, ত্রহীশ্যার তৌ। মী পোং অনক্কিন্দ্যাইরেবদ ওইবা-লাকপ্রা লেংউ। কদায়, ঐ আলোক, কাপ্পদা-লৈহৌরে। (থি) ইহৈং কাপকপদা লৈহৌরমান্ন, ঐ- অমুকা লোকখিগে। (ফিংনা চঙখি)

(বীর মথন্ন মপান্দ য়েংই শঙই, থোঙশঙবা শাই)

রুহি : (মলকই)—অহল।

বীর : (হুক্রাইতবা পোকয়) কৌনা রুহি। কদি মেথৌসিগে ?

রুহি : অহল। ঐ শম্পাসা অমুকা উনগে।

বীর : শ্যাম মিদ লৈ হায়রবদি নওনা রুশম থজিনবো! যাই দি বে নও নতোমজ্জা? (চেংই)

রুহি : অহল। ঐ শঙই। চিনবিরদ ঐ ইথৎলনি, কনাদু রাওহকে।

অহনল ! অপোন মাই বার্দ ! ঐ হায়জরিবসিনি আই এম

আলোন৷ শ্যাম অমুক্তা উনগে।

বীর : রুহি : খঙদে শ্যামগী মুদ, করম তৌরমগদৌবনো ?

রুহি : হবাত দিফারেন্স ইজ দিয়ার ? আই এম হিজ ফ্রেন্দ।

বীর : রাইত ! হো : ফম্মু ! (চঙখি)

(ওহাক লৈরগা শ্যাম খোরকই, বীর মপান্দা খোকখি, লুমহুনা ভায়)

রুহি : হল্লো শ্যাম ! হাউ আর য়ু ?

শ্যাম : ফাইন থেঙ্ক য়ু। হবাত কেন আই তু ফোর য়ু ?

রুহি : বারী অমা শানীংহনা লাকপনি। এম আই দিস্তরবিং য়ু।

শ্যাম : ওফ কোর্শ য়ু আর !

রুহি : মতুগীদমক আই এম সোরী ! অতুবু ঐদি মতাও অসিদা ভাঙনদবা য়াদে—অহুনা লাকপনি।

শ্যাম : নঙ করি পাম্মি ?

রুহি : পোংকী ওইনা অপাম্বা শরুক লৈতে। চুম্না বা ভাঙনবা পাম্মি।

শ্যাম : করি বানো ?

রুহি : নঙ খঙব্রিবরা ? উমাগী মতাঙদনি।

শ্যাম : রুহি ! হৌজিক উমাসি ঐগী ওইরে, মসিদা খোইদোকপা বা ভাঙনীভাই লৈতে।

রুহি : নঙ মতু করম্না হায়রিবনো ? রাইত, ফিজিকেল পোজেশনদদি ওইরম্বা য়াই, রাখল ফাওবদি ওইরমদরা য়ারি৷ আই এম স্কেপতিকেল অবাউত ইত। অনাদর থিং, নঙগী ওইরগা বা ভাঙনবা য়াদে হায়বসি পোলিস ওইবা খরা রাংলি।

শ্যাম : রুহি ! নঙ মতু তৌগম্বনে, ঐগী ফজবা ফজদবদা নঙগী জজমেন্ট পীগদবা নত্তে, মহুদা নখো কৈস্নু লৈতেনে। ঐনা

য়াদে হাক্সবসি য়াম্রবনি নঙ ঐঙোন্দগী করম্বা ত্রিতমেণ্ট পাদ্মি ?

রুহি : ঙাইখোদা ঙাইখোদা, নঙগী ফিজিকেল স্তণ্ট অদুদা ঐনা ঙাওনবা পাম্বা য়া ঙাওদনা তোক্কদবা নত্তে। ব্লুণ্ট ত্রিতমেণ্ট খরা থাদোকনসি, ভাব তানসি।

শ্যাম : ভাব তাম্রিবসি ঐ নত্তেনে নঙনিনে রুহি ! নঙনা উমাগী মরমদা ব্রা ঙাওননি হায়দুনা লাকলিবাসি নঙ ইকাইববু হাইফেৎ খঙম্রিনে ?

রুহি : ঈকাইবা খঙবগী দিফিনিশনদি কোন্না পীনসি শ্যাম ! মসিদা নঙগা ঐগা তোংঙান তোংঙান অর্থ লৈয়ম্বা য়াই, মসিদি ইমুং মনুংদা তম্বা অরায়বা বাফমনি। ঐনা য়ুমদগী তম-লকপদা ইকাইবা খঙবা অসি মুন্না নৈনম্মে। নখোয় ইমুংগী অর্থদি ঐনা খঙলমদ্দবা য়াই।

শ্যাম : ঙমহোম্রবা হায়বসিদা মীওইবনা মুঙাইতে। ঙমথিম্রবা অদু ফুক্কৎনবা বাহৈগী ব্যাখা কয়া তৌনৈ, নঙগীসু অদু ওই-রমাল্লে রুহি। ঐখোয় ইমুং কৈদৌরবগে ?

রুহি : মী মীনা তৌথোকলকপা থবক অসি মা মাগী ইমুংগী মঙ্গল মতুং ইন্নি। ঐনা ঐখোয় ইমুংদগীনি, নঙনা নখোয় ইমুং-দগীনি। ঐগী ঐগী হৌরকফম থবক্তা উৎলি হায়বগী বানি, নখোয় ইমুংনা কৈদৌই হায়বগী বা নত্তে।

শ্যাম : চুম্মি ! ঐনা তৌরিবসি ঐগী ইমুংনা তম্বীবা শীঙনবা ইমান্নবশিংগী মথক্তা জয় তৌবা, নঙ মদু য়ারব্রা ?

রুহি : ওইরম্বা য়াই নঙগী বাখলদা ঐ মতুদা কৈস্ত ক্যার তৌদে।

শ্যাম : করেনে, মঙনা হৌজিক করি হায়বা পামজিবা উমাগী মরমদা ?

রুহি : ঐ উমাগা বা খরা ঙাওনদে।

শ্যাম : রুহি ! নঙ কনা ওইনা লাকলিবনো ?

রুহি : ঐ রুহিকান্ত ওইনা লাকপনি।

শ্যাম : রাইত ! করম্বা ফীফমদা লাকলিবা !

রুহি : এঞ্জ ইউজুয়েল, করি ওইনা লাক্লীঙাই লৈবগে ?

শ্যাম : রুহি ! নঙ চৎলো, ঐ অতৈ থবক য়াম্ন লৈরে। ঐগী মাঙনীঙাই মতম লৈত্রে কোন্ন উনসি ! নঙনা য়ান্নী শাবা পামলবসু লুহোংলবা মতুংদা শাবা য়াগনি।

রুহি : ঐনা নখোয়গা ৱান্নী শাবগীদমক মতম ঙাইবগী ৱাফম চঙদে, অতুনা ঐ ছৌজিক লাকলিবসিনি

শ্যাম : মতুনা নঙগী ৱাখললনি· নঙনা পাম্ব'ঙাক্তনা ওইবা য়াত্রা ? নঙনা উমাবু পামই, হৌজিক ফাওবা পামখিগদ্রা ? উমা ঐগী ইনাক্সা লৈরে। নঙনা উমাগা য়ান্নী শাব পামলবদি ঐঙোন্দা মায়থীরে হায়না সরেন্দর তৌ ! ঐনা নঙোন্দা উমাগা উননবা চান্স পীগে

রুহি : করিগী ঐনা মায়থীরে হায়না সরেন্দর তৌগদৌরিবা ? করিদা ঐনা মায়থীরিবা ?

শ্যাম : নঙগী ৱিল তু ৱিনগী চ্যালেঞ্জ অতু হাঃ হাঃ হাঃ নঙ কাউরব্রা ?

রুহি : ঐবু মায়থীরে হায়না থনব্রা শ্যাম ?

শ্যাম : ওঃ আই এম তেরিব্লী সোরী ! ঐ ভাব তারে, নঙগী শাইকোলোজিকেল স্তবিলিতি লৈত্রে, ওন দেৎ কনদিশন ! নঙ উমাগ ৱান্নী শাবা য়াররোই।

রুহি : নঙনা উমাগা চেন্নগা ঐগী শাইকোলোজিকেল বেলেন্সতো কৈন্থ্রু কায়বগী ৱাফম লৈতে। থৌনা লৈতবগী থবক খুত্তৌ উবদা নোক্লীংবা মতুনা ঐনা ঙাওনীঙাই করি লৈবগে ?

শ্যাম : থৌন্না লৈতবা হায়বদি ?

রুহি : য়্যা নীদ এক্সপ্রেনেসন ! নঙনা উমাবু কিদনেপ তৌরিবা অসি থোনা লৈতবগী থবক থৃৎতৌনি, কাৱারদিশ—শ্যাম ! খঙলব্রা ? পাঙদবা মীগী থবক থুত্তৌ, নঙগী অসি মপা থোকপা থবক নত্তে।

শ্যাম : ও: মসিদগী হেনবা মপা থোকপগী করম্বা থবক লৈ ? রুহি, শ্যাম্মা কয়াম তৌবা ঙম্বগে হায়বদো ঐনা উমাবু চেল্লিবা অসিনা খুদমনি।

রুহি : নঙনা তৌরিবা অসি নঙগী রাখলদদি থোনা ফবা মানবা য়াই, ঐগী রাখলদদি মীহোৌবগী থবক্নি। রুহিকান্তদি অতুক য়োনা মিহোৌ চাউদে, অতুগা বা অমনা ঐহাক কৈদৌঙৈদম্ভু ঐগী ইজ্জৎকী মথাদা থবক তৌদে।

শ্যাম : রাইত। রাইত ! হা: হা: হা: নঙদি ইজ্জৎ লৈবা মীনি। নঙনা পামজবা উমা ঐনা লৌরে, নমাঙদগী, নঙ থঙহোৌদ্রে। উমাগী নুংশিবদি শ্যামগীতা ওইগদবনি। হোৌজিকস্তু নহাক ঐঙোন্দা উমাগা বা ঙাঙনগে হায়দুনা রিকেষ্ট তৌরি, মসি নঙগী ইজ্জৎনি, হা: হা: ও: আই এম মিষ্টেকন ! নঙগী গট্‌শ মতাসিদা ঐনা নঙোন্দা শাউবগী অর্থ করিমত্তা থোক্তে। সো-রী ! ঐ নঙগা উমাগা উনহনগে। আই মে এনজোই দি সিন।

রুহি : নঙনা চানবীদুনা উনহনবগী বা নত্তে শ্যাম। আই হেভ এ রাইত তু সী হার, য়্যা অন্দরস্তেন্দ ।

শ্যাম : হবাত রাইত ? তেল মি হবাত রাইত ?

রুহি : সা ইজ মাই ফ্রেন্দ শ্যাম এণ্ড সী লভস, মি তু ?

শ্যাম : রাইত। মুংশিরম্বা য়াই, অদুবু নঙ হোৌজিক মতু ক্লেম করিমত্তা তৌনীঙাই লৈতে। ঐনা ঙসাইমথৈ হায়রিবসি নঙ ভাব তাদ্রমাল্লে, উমা হোৌজিক ঐগী পোজেশন্দা লৈ।

করম্বা চৎনবীনা নঙনা মাগা উনগদৌরিবনো ?

রুহি : সোশিয়েল কনভেনসন। তেরিফিক শ্যাম। য়্যু আর তোকিং অবাউত সোশিয়েল কনভেনশন। কম্মেনদেবল। নঙ মতু খঙব্রা ?

শ্যাম : হ্বাত ডু য়্যু থিঙ্ক আই এম ?

রুহি : দেন ?

শ্যাম : আই কেন দিফাই ইত তু। ঐ মতুম্থু থুগাইবা ঙম্মি।

রুহি : সে। অতুনা ঐসু লাক্লিবনি। সোশিয়েল ভেল্যুবু বিত্রে তৌবা ঙম্বা মীগী মফমদা ঐনা করি চৎনবী অমুক থিরুগাদগে ?

শ্যাম : ঐনা করিবু বিত্রে তৌরিবা ?

রুহি : নঙবু মী অমনি হায়না থাজবা ঐনা উমানা মী পুম্নমক— ঐনা নঙবু ইন মাই হার্টস রেসপেক্ট তৌরমই, ঐ ঙরাংতা খঙই, আই বাজ এ ফুল। ঐবু ঐগী ইপা ইমানা অস্থুম্না তৌরমই। নঙগী ফাউনদেশন অমদি সোশিয়েলাইজেশন তোংঙাল্লি হায়বসি ঐ কউরুরে।

শ্যাম : হ্বাত আর য়্যু তোকিং অবাউত ?

রুহি : আই এম তোকিং অবাউত ইয়োর ফেমিলি য়্যু সী। নখোয় ইমুং মনুংগী সংসার ঐ কাউরুরে।

শ্যাম : শৎ অপ ? রুহি ! হাও ড্যার য়্যু সে দেৎ ? নঙ ঐ ভাঙনবা য়াই, নঙ ঐগীতা ওইনা, করিগী ঐগী ইমুং মনুং শোক্লিবগে ?

রুহি : নঙ নখোয় ইমুং মনুংগী মীনি, নঙনা হৌজিক তৌরিবা থবক অসি নতোমত লম্নাই তারব্রা ?

শ্যাম : জস্ত সো য়্যু আর ! দি এস পি রামগোপাল নঙগী ফাদর, ঐ খঙই, দি হোল পুলিসফোর্স ইজ অফতর মি, নঙগী ইনতরেস্টকীদমক ! ঐ কি হায়না খল্লুম্নু—রুহি নঙনা অপাম্ব

তৌরকউ ঐগীদি অশেংবা চ্যেলেগুমি।

রুহি : ও নেভর! কমানা হায়রিবা করম্বা পুলিস কোর্স না নঙবু থিন্নিবা?

শ্যাম : থিবা থওদ্রবছুদা থিদে হায়গেরা? নঙ চংলু ঐ য়ুমদা লৈহৌই হায়রুচো। ঐনা কয়াম্বুক তৌবা ভম্বগে হায়বছু অমুকা উংথিগে।

রুহি : নঙ অচুম্বছু থওদ্রে, নঙ ওবাংমা লোকঅপতা লৈরমগদবনি।

শ্যাম : লোকঅপতা। ফনি! কনান ঐবু পোকঅপতা থমগদৌবিবা, নঙনা?

রুহি : অইন্না!

শ্যাম : হাঃ হাঃ হৌজিক কদায়দা চৎপ্রবা? স্টিল তাইম রুহি চৎলো উমাগা উনবগী মহুত্তা পুলিস কৌরুচো।

রুহি : শ্যাম, যু আর বেস্তং তাইম! নঙ মতম মাওহল্লে কামদে উমা অমুক্কং থোরকহল্লু।

শ্যাম : লুক হিয়ার রুহি, নঙ অসি ঐগী বাইভল ওইরবস্থু মরুপ্পি হায়ছুনা নংঙোন্দ খুং থানীংদবনি, ঐ য়াম্ন রেস্লেন তৌবনি, নাউ য়ু্য গেৎ আউত!

রুহি : শ্যাম, আই এম তেল্লীং য়ু্য! উমা অমুক্কা থোরকহল্লু।

শ্যাম : গেৎ আউত রুহি আই সে গেৎ আউত! (উমা থোরকই)

রুহি : হল্লো উমা!

উমা : ও রুহি! করিগীনো শ্যামগা লাউনরিবদো?

শ্যাম : উমা নঙ ইমুং চঙউ।

উমা : নংনা লাউবছুদা ঐঙোন্দ দিস্তর্ভ তৌই, কম্নিগীনো লাউ-নম্লিবদো?

রুহি : কৈস্থু তৌদে উমা! শ্যামগা ঐগা আইদিয়া একসচেঞ্জ তৌনবদা কনভিন্স তৌনবা একফেশিন্স পীনবনি।

উমা : করম্বা অনৌবা আইদিয়ানো ?

রুহি : কৈস্নু নঙ্গো মকপ অরীবীগী অরীবা বারীনি। বাই দি বে হাও আর য়ু ?

উমা : জস্ত সো সো রুহি !

রুহি : ঐ নঙগা শ্যামগা উনগে লাকপনি, নখোয়গী ইলোপমেন্ট সিদা ঐদি ইঙক ঙকপ্রে। য়াম্না প্রাইভেট ওইরমাল্লে, ঐখোয় পুন্নমকপু য়াম্না সরপ্রাইজ পীপ্রে। য়ু হেভ রিয়েলি কিতন এজ।

উমা নঙগী সন্দন দিশিসন অসিদি নঙগী সেলফ পোর-ট্রেট অতুদা মচু পানা তৈনীংবদা খরা হাজীনখিবগুম থোকই।

উমা : আই এম নোট রেসপোন্সিবল ফোর দিস রুহি।

রুহি : নঙনা রেসপোন্সিবল ওইবা ওইদবদা জস্তিফিকেশন থিবগী বাফম নত্তে। ঐগী সেন্স ওব অন্দরস্তেন্দিংদা য়াম্না রুদ শোক অমা পী হায়বগী বানি। ঐনা মসিদা কমপ্লেন তৌগে হায়বা নত্তে। নঙগী ফ্রী উইল এণ্ড ফ্রীদম ওব চোইশতা ঐনা য়েৎপগী বাফমস্নু নত্তে, তৌকতবু খন্দিকং লেপ্পনা থকক তৌহন্নীংই, ঐদি নঙকু য়াম্না ঈকাইখুম্না ভিন্নবনি, ঐগী ইকাইখুম্নবা শক্তক অদু নঙনা ইরাঙ্গ লায়না খনবা অদু ওন ইয়োর পাট এজ এ রেসপেক্টবল হ্যুমেন য়াম্না ফজবা বাংলি।

রাইট হো উমা ! নঙ মুঙাইতবা তৌগনু, ঐ মসিদা কমপ্লেন তৌগে লাকপা নত্তে। এজ এ মেন ঐনা খনবা বাফম থয়া। অসিদং ফোংদোকে তৌবনি। নত্তে শ্যাম। ঐঙোন্দা শাউগনু, ফ্রেন্ডলি, ঐ নখোয়বু কনগ্রেচুলেৎ তৌরি। কনগ্রেচুলেশন — (মখুৎ শোকই)।

এণ্ড উমা— আই বিশ য়ু্য এ হেপ্পি মেরিদ লাইফ!

(উমা মুন্ডাইতনা চণখি)

ওঃ আই এম সোরী! শ্যাম উমাবু খরা থেম্বীয়। ঐগী বাকমদা খরা মুন্ডাইখিদ্রমাল্লে। ঐ চৎলগে!

(শ্যাম চণখি, রুহি থোরকই, বীর থোরকই)

অঙ্কল আই এম শোরী ফোর দি দিস্তরবেনশ! ঐ য়েক্তরগে।

বীর : বেইত রুহি! ভাইখো, আই এম ইন্টরেস্তেদ, বাবী খরা শাখিসি। আই বাজ তেকিং য়ু্য আদরবাইজ।

রুহি : ওঃ অঙ্কল হবাই আদরবাউজ, ঐ— শ্যামগী মরূপনি।

বীর : নো নো আই মীন দি আদর থিং— ইয়োর, ইয়োর— এতিত্যুদ তুবারদ'স আবার লাইফ! ঐ কনফ্যুজ তোমে নওঙ্গী ওসিগী দিসপ্লেসি ইজ সমথিং··· সমথিং ওয়— আর য়ু্য দিসপ্লেইং দি জেনেরোসিটি ওব এ····· ওব এ······।

রুহি : এ দিকিতেদ মেন! দিয়ার য়ু্য আর—অঙ্কল হাও গ্রান্দ ··· অঙ্কল! রুহি ইজ জস্ত এ সিমপল মেন। রুহি ইচম চম্বা মীনি আই নো মাই লাইক এণ্ড হবাত আই দু— ইজ জস্ত এন এক্সপারিমেন্ট—অঙ্কল ঐখোয়গী ইওং ইতৌতা নত্তনা অতোপ্পা মীগী মওং মতৌদা ঐখোয়দা করি ইফেক্ট লৈবা হায়বদু য়েংবনি। নেকস্ট তাইম শরুব্দি! অঙ্কল ঐ চৎলগে। (থোকখি অঙ্কল য়েংদুনা লৈহৌই— ।)

—লোইরবা—